ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্মা গী

উপন্যাস

হোঁনবীনি তাইবঙগী





কংচবা

[illegible]

ঐখা মনৈ থাইরুবা,

তাইবঙ অদা হিপাজী

ঈখক-ইংঙৈ মোংঙৈ খুংগিংলকপা

নুংঙাই অদগী কংখিবা।

ঐবু তাইবংদা পেরকপিরম্বা

"কৃষ্ণদাস শর্মাগী মচানবা

কংচবি পিরাংগা মোজনবা

ঐগী চমথা খুদোল

"হৌনবীনি তাইবঙগী"

উপন্যাস

অইবা

রেবতি

থোকহনবা :— লক্ষ্মী এণ্ড মোনালিসা পব্লিকেসন
থৌবাল অবাং লৈকাই ।

চেক তেমবা মীরকপা :— খাংজম সরৎচন্দ্র মৈতৈ
খদোকচম্ব খাংজম লৈরক
ইম্ফাল ।

মখুৎ হুমনা :— রাজকুমারী পুরনচন্দ্রা
C/o খংগেম্বম বিজয় গোবিন্দ, ইম্ফাল ।

মখুৎ লেকপা :— মুক্তা, থৌবাল ।

মখুৎ নম্বা :— শিরোই অফসেট প্রিন্টার্স, থৌবাল বজার ।

অহানবা থুংবা :— জনুয়ারী ২০০৩

কোপি মশিং :— ১০০০ (লিশিং অমা)

মমল :— লুপা ৪০/- (নিফুমথা) তনি ।

মফম :— দেবিকা শ্রেন, থৌবাল ।

ৱাহৈ খরদং

ইফকপা কৌবনিনা ইনিংবগী ৱাগ থম্বোইদগী লাপথো-
কইনবা ওমজদে । খংজুরকপগী কংলকপা ওইনাগী উপন্যাস
"হৌমজৌমি তাইবঙ্গী" ইথিবা কনা কুইজদে । অদুবু
কিতম চাদবা থরা লৈবদগী মতম শাংনা সাহিত্য্যা সবাজবা
পুবোল তমজবা ওমজহনা লৈরগী । হন্দক কদোমদগী ইহৌবো
অমমা পুথোকনিংবমা থাওমদনা ঐগী উপন্যাস "হৌমজৌমি
তাইবঙ্গী" নমজরে । উপন্যাস অসিদা ৱাওরিবা থাগি অমহুং
চরিত্রশিং অসি কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংগী থোংলোক থাথোক
অমতপা মরি লৈনজবে৹ মসিদি ওইনাগী পুবোলনি । উপন্যাস
অসিবু কোওননবা হোংনজবদা তেংবাংবিরকপশিংবুহ হায়জিংতাই
লৈতবা থাগৎচরি । উপন্যাস অসিদা মরুওইবা উংলোবদি
Everybody face with sorrows and suffering in life. So someone sometimes like to vanish from this holy universe, but they must not forget that sorrows and suffering always come with happiness and joy like the two face of coin
হায়বসিনী৹ হায়বদি পুন্সি হায়বসিদা অবাবা হায়বসি তত্তনা
থেংনহনবা নাতই অদুবু অবাবতা থেংনহনা লৈ হায়হনা পুন্সিবু
অবাবা ইপাক্কী লোৎবদি য়ারোই । মসিদা ফুংতাইবগী শরুকহু
তয়বই । মরম অদুনা থাবজে হায়হনা সংলোয়সীদগী থাংবগে

হায়বা বাখল কাওরকপা য়াওই মহু থাদোকখবনি । পুন্সিদি লেজ মহেক্ক মন্নুঙী মনিং মরাংশুম অমাবা মুংগাইবা অমিনি । থাজক্কা অহুম ঐশম্বা নত্তে । মুংগাইবসু শক্ক য়াওরকনি হায়কনি । মায়াইবগী পান্দম কনানা মনিং পুংনা মুংগাইনা য়াওবগে হায়দ্রিবা ফৌনবীদি অমা অমা হায়রুসে । পুম্বকুশু থেংননবা নংমখুং থেংনবা ওয়াহংশু মীওইবগী পুন্সিনি । মীয়ামগী উপন্যাস অমিদু খৈনবীরুদা ফাওবা ফংবীরবদি অইবগী ঈজবন কারবা ফংহৌবগে বিংগলনি অমদি উপন্যাস অসিদা অশোয়বা অতাম য়াওরবসু মীয়ামগী থেমদোকপা তাকপিরকপদা অহৈবনা থাগৎলি ওকচরনি ।

অইবা :
কুরাইলাংপম ক্ষেত্রি শর্মা
য়োগিনী অমাং লৈকাই ।

অহানবা পন্দুপ

কোরৌহনবনা নোংপোক চীংয়াংদগী থাঙ্গ্রবা মশেক মঙালগা লোযননা হায়রপ হায়গৎলক্রবা মতমনি। মালিকাগী শঙ্গাই অতুগী তক্ক তঙালব্রা শুমাং মতোন অতুদা মচা ইবুংঙো চিদানন্দনা কোরৌ মৈশা লাংনা লাইরিক ঔরাইরি, ইনথৎলকপগী মংলানা লংনা তগৎ-তগৎ তেক্কা ফজরবা, তৌরবা কূচুবা মাগী ওইরবা চিদাগী মিংথিজরবা শক্তম অউবা কনানা শোয়নিঙাইহনি। মচৌন্দা মুক্কম মুক্কম শোয়া লাইরিক ওইরাইরিবা চিদানা, লোহ্ছোং হাংদোকখিবগী 'ক্রোক-ক্রাক' হায়বা খোঞ্জেলহু তাবহুদা কনানো থওনিংনা খোজালকোমদা য়েংলকখি। মাগী থওমৌংলিবা মিংথাং অতুদা জজ্জ দেবিলান মাগী লোয়নবি ময়নি, মচা টবেন্মা শকহেনবী বিনাপাংনি অমসুং অঙাং কুকুংনা মরি মরি তুংথ মাংথ চংলক্লীবহু উরকই।

দেবিলান—ইবুংঙো, ইচে মালিকা লৈত্রাও ?

চিদা—লৈ, কবি তাকপিগদবা ?

দেবিলান—অমুক্কা কৌরকউ, অ—ইম্ফালদগী মী লাক্লী হায়য়।

চিদানন্দনা কনি হায়রয়গা পিক্রবা শঙ্গাই অতুগী মথুংদা মমাবু কৌক্নবা চংশিনখি। ইকুই কুইদনা মালিকানা মাঙ থারহুনা মমা মচাহু থোরকই।

মালিকা—দেবিলান, হৈমা, ময়নিহু য়াওরক্লীদনা লাকও লাকও চংশিল্লকউ।

অসুম্না মালিকানা কক অমা পুখোরক্তুনা মাঙোলদী লাক্লি অহুদা থাগ্নে। দেবিলান অমদি রমনি, অঙাং কুকুগা লোয়ননা কক অহুদা কমথগ্নে। শকহেনবী বিনাপানিনা চৌন কওবা শারহুনা থাবগ্নীবা মোয়া অহুদা কমথরে। পুম্নমক্না নেংনা তানা কমথনগ্রবা অহুদা চিদানা বিনাপানিগী কজরবী শকম অহুবু মুম্না অমুক্তং য়েংলম্লগা থম্মোয়মুংদা 'নিংথিজৈদকো' থম্না মাগী হাম্নগী কমকম অহুদা কমথখি।

দেবিলান—কমদৌরি ইচে, মুংঙাইরিদনা ?

মালিকা—ইবুংঙো, মুংঙাইতে হায়হৈদেবে অহুনা হিংননবা অসুম পংলেনদা লেপ্লি হায়বা তাইদনা।

রমনি—মুংঙাইববু কনা য়াওরিবগেদা ইনম্মা, পুন্সি অসি হিংনবগীদমক অরাবা কাওথোক্লহুনা মুংঙাইবা শাম্নবা ওাক্লি।

মালিকা—হোয়, মহুমকসু মচুমই, অহুমকপু অবাবগী থাক অসে মীওই মীওইগী কিভম মতুংইন্না খেম্নবদি য়াম্না লৈ। কয়ে, মসিগী বা অসিমা থমথিসি নওগী নচাম্নুগী অহন অহুবু শকহেনবী অসিরনে ?

রমনি—মাথি ইনম্মা, মানা কোইহন লায়হননি। ময়াইদা পোকচবা মুপামচা অহুমদি লৈখিদ্রেদনা—।

মালিকা—ও ! লাইবক থীবা হায়বহুনি, হৌজিক কাওবা লৈজরম্লবদি পাথং হায়বত্ত য়ক লাওরগদবনি।

দেবিলান—ইচেগী মুপামচা অহন্দুদি, লায়রিক্তি কদাই কাওবা তমজরে।

মালিকা—বি: এঃ থাগ্রবনি, ইমুংভো ইচাহুগী মপালগ্রমা ইমুং অসে পানবা ওয়াক্লীবনি।

দেবিলান—মুপামচা অসিনা করম্বা ?

মালিকা—অ'তানবনি, ময়াইদা মুপীমচা অমসু লৈরি, লৈশাবী হায়নহুবু মপুং ফারবনি।

রমনি—ইনম্মগীদি থোইদোক্লা বানিভাইদি লৈত্রেদনা !

মালিকা—চোর প'বাবু'দ কম্নিগী বাক্লনি, অতৈবু লাইরিনে তোইনা উমবা ফ'বা মীওই অমত্তা নত্তে, ওসিদ হাওরবসু হাওত্রণসু ইচেগীদা চাক চরা অমতং চাথিসিনে।

দেবিলান—চারোইদা ইচে, তাদা মাথোপনসু চাসি হায়দুনা মহা য়োগ্রবা পোংনি, মানা পীগদৌরিবা লৌশান অহুগী মথক্তা অহেনবা কৌ থরা বানবিনবা হায়জবা লাকপনি অহুবু মানা থোকপা বালগা লৌশানগা পুম্না পুথংপিরক্লগে হায়বিরে। ইচেথোয়গসু উমদবা ফনা কুইরে, কাউনাথবা ভারে, কাউনবা য়াবা নত্তে হায়দুনা চংলক্লীবনি। ইচেগা উমদুনা বারি বাভাই শাবসিমক্লা পেল্লবনি।

মালিকা—এঃ চাদ লাক্লা য়াবা নত্তে, ওসি নোংমতং ইচেনা চাক চরা অমতং চামিন্ননিংদুনা হায়জববু—

রমনি—ফরেদা মাই পাবুং, ওসি নোংমতং ইনম্মনা চাক চরা অমতং চামিন্ননীংদুনা হায়জবদা চাদনা চংলবদি ইনম্মনা লুংভাইহৌবা হৌনদে করি এঙ্গাংবু পিজগদৌরিবনে নে ইনম্মা ?

মালিকা—ডাক্তা খোংবা চায়সি, অদুগা য়োংচাকা অমত্তু ইরোনসি ।

দেবিলান—এগাংদি কনা হাওদৌরিবনা, করে অতুমডাইয়ে, চাক খোংলয়ো ইচে— লাও কুকু তাদা মাখোগ খোয়রোমদা ইপা ইচা কোইরুখিসি, গাড়িগু পুরকসি ।

অসুম্না দেবিলাননা মচা কুকুবু খুৎশমহুনা খোজাললোমদা খোকখ্রি । মালিকা অমদি রমনিগু হোৎব্রবা পুন্সিগী অবাংবুংঙাই বারি কয়া ডাঙনা শান্নহুনা ইমুংলোমদা চংমিন্নখি । মদোম তরক তাহৌরবি শকহেনবী বিনাপানিহু মপুক্রিং তয়াং তখুকনরম্বদগী উপাই লৈত্রবা মতৌদা ফম্লীবা মোরা অহুবু থাংজিনহুনা চিদানন্দগী মনাক্তুদা ফমলরে ।

বিনাপানি—ইবুংঙো নঙগী মিংদি করি কৌই ?

চিদানন্দা—এ ! অদোমবু চহি কয়া শুবিরবগেনে ?

বিনা—ঐনা হয়রমগনিদা, ঐদি চহি কুন হেল্লে ।

চিদা—ও ! অতুদি ঐনা লানথ্রেদনা, ঐগী মিংদি চিদানন্দা কৌজৈ, অতু, ইচে হায়না অত্তম কোজরগেকো ।

বিনা—ইনাও নন্দবু মেট্রিক পরিক্ষা থাগদৌরিব্রা ?

চিদা—হোয়, লাইবক অমুক্তং য়েংজগে হায়হুনা——

বিনা—তুংগীদমক্তদ করিদি আশা তৌরি, হা ঐনা হায়বদি ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, আই এ: এসঃ——

চিদা—চপ্রাসি ।

বিনা—হৈমা হা… হা… হা——

চিদাগী চয়বা তাহৈ অহুগা লোয়নরবা শক্তমগী শকওং অহুনা বিনাপানিবু থাম্বা ওবহনদবা মতাদা নোকহনখি। অসুম্না থাবওমদনা নোকপগী কাখোকপুরবা মরা অহু উমশনবা ওমত্রিহৈদা সুংশিন্নবা খোঞ্জেল অমগী খোম্বাং অমনা মথন্থোয় অহু তুজুংনা মচানবান অহুবু উমশনখি। মহুমক স্বর্গগী সুংশিবগী মপু ওইবা কামদেবমকা পাংথক ওইরবা শকহেমবা পাথং অমমা মচিন্দা 'ইকো' খোংল খোংলহুনা শংবানিমরবা লম্বাং অহুদা লাপলপ লাক্লীবা অহু উকবমক্তগীনি। তম্মংলবা অহুগা শক্তেম অহুবু পেন্না য়েংজক্করগা স্বর্গগী নৈকোনগী নৈরাং খোইমুগী চিলোক্লা শক্তমবু কল্লকচনা মগুলান অমদা বিনাপানিহু মিকুপ অমা তাওথরুই।

বিনা—চিদানন্দা

চিদা—কন্নি হায়গে ইচে ?

বিনা—আদা লাক্লীবা পাথং অসিবু কনানো ?

চিদা—ঐখোয় তামোনি, কজন্না ?

বিনা—কজৈ, মমিংদি কন্নি কৌই ?

চিদা—অনন্দ

মতম অহুদা অনন্দনা মনাও অমসুং মচলবু অম্নামগী কোয় কৌরহুনা হন্নাও মখোই কাবা মতোদা ইম্নাং-লাংবা চেনশিন্নকই। সুংঙাইবগী শহুম্না লাকহংলবা পাথং অহুনা মমিংমনা ইচোয় চোম্না মোরাদা কমলীবী বিনাপানিগী মকোকতুদা তুংলোম্নদগী কোকশি অমুক্তং হংলগা তথোংলবী

অহুগী মখাংদা তিকি হোৎলুরে। মতৌঙুদা পুক্সী পাইনা মোঙ্খা চিদানন্দগী মনাক্তদা চংশিন্দুনা ইরাং লাংনা বিঃ এঃ পরিক্ষাগী কাষ্ট দিডিজনদা কাওরে হায়রুনা খবর ফাক্কোক্তনা ঊংলি। চণ্ডকনরবা খোঁদো অহুদা ফুম্বুংনরবী বিনাপানিগী মুর্তিগা পাংথক ওইখি। অমবিকানি থম্না ইরাং লাংনা লক্কস্নীবী থুনীঙা অহুগী থাবলঙুমবী মকা লাল্লবী ইংলবী মাইথোং অহুবু উরবদা অমশহু ইকাই খুংশি য়ামনা ভুজুংখি। খম্মোয়দা থংহুক হুকপ্রবা শক্তম অহুবু য়েংনা য়েংনা মানা তৌকরিবা চমৎকার অহুদা ইকাইজররুনঃ 'এস্কুইজ মী' হায়রমগা তুং হম্না হম্না য়েংনা য়েংনা চৎলম্বদগী ইমুংলোমদা চংশিনখি।

হৌজিক্তী মালিকাগী ইমুং অহুদা ময়াম পুম্নমক অহু চাকচা হৈজাবা লোয়নরুনা শকথং মাইথংনবগী বা-বা নোক্না য়াগি শায়রে। মতুংদা দেবিলাননা চৎননবা হাজরক্রবদা ময়াম পুম্নমক ইমুংদগী থোরক্লে। মালিকানা থোজালদা থারিবা কার অহুদা মানা ওমজবা এঞ্জাং নাপী মনা-মশিং কয়া পুথোক্তনা মচা ইবেম্মা সুনন্দাগা লোয়ননা হাপমিয়রে। হৌজিক্তী চৎলমদাই কাইনরমদাইগী বারি-বাতাই কয়া তাঙনা শক্রুনা দেবিলান মাথোপ মালিকা রমনি, সুনন্দা কুকু চিদানন্দা, বিনাপানি অমদি অাইগর হুইনা পুন্নরুনা মালিকাগী ওমাং মতৌন অহুদা নিডি।

১ মতম অহুদা অনন্দদি মহোলগী উংথোক তেন অহুদা থোক্কহৌনা বিদাইগী হুংশিনবা শক্তম অহুবু মথবাই তানা য়েংলি।

লেবিলানদু কারনা কাথংখিদুনা ষ্টারিং পাইথরে। ময়নি অমসুং মালিকাগা পুকমেন পাওমেম্বা লোয়রদুনা কারনা কমথই। ওসাই মথৈ সুনন্দাগা বাস্থিস্তাতাই শামরিবী বিনাপানিসু সুনন্দাদগী অরোইবা বিদাই লৌরগা কার তমলক্নে। কারগী খোঙ অদু হাংদোক্লগা 'মদুবু কদোমলনো' হায়না অমুক্তং য়েংলকপদা মাঙোলগী উথোকতেন্দা ওারিবা অনদগী মিশা অদুগা চেক মিচায়রক্ই। শকহেনবী বিনাপানিনা শুমহৎপ্রসঙ্গ মতাঙুম থাবলগুম্না ইংলবী লৈনাওয়া খোংলবী নীংথিজরবী মাইথোং অদুনা মাইওন চুম্না উংলক্লগা ওইথংবা মিস্না অদুনা অমুক্তং কুপলকখিবা অদুনা শদানবগী তেম্না থারবা শজিনা লৈমাইদা থওহৌদনা হায়থরকপঙুম উথোক তেন্দা ওারি কাওরবা অনন্দদু শুমাংলোমদা হায়থগে তৌখি। হৈশিংলবা মথুং অনিদুনা উথোকতেন অদুদা থংয়ান য়াদহৌত্রবদি অনন্দদু শুমাংলোমদা হায়থনা তুরবা য়াখি। কিতম অদুমক্না বিনাপানিগী নোকনিংবা অদু থম্মোয়দুনা কাজনহনবা ওবখিদে। কার মথুং অদুদা মাগী মতৌ অদু উবদা মপাবুংনা করি তৌরকপগে হংবদা থুমকম থওজবী বিনাপানিনা নাকল অমদা থৈদোক্লগা থুবদা কনা য়াখি।

অনিশুবা পন্থুপ

তক তানায়া কজরবা মথোল ২গী জর্জ দেবিলানগী বিলদিংগী শঙ্গাইনি। শঙ্গাই অতুগী মকোক্কিবদা লাপলপা ভাক শেমা কোইশিল্লীবা চেকী চেকপন অতুবু নীংথিমা শেম শাহনা পাল্লিবা গেং অহুনা মগুন হাপ্লী। পরেং পরেং চুংজিং চুমজিং হৌরিবা নাশিক পাম্বীশিং অমদি উরৈশিং অতুগী নাকচি নকয়াদা লৈগী লৈথল কয়ানা ফুগাইনা শাংলি। শঙ্গাই অতুগী মনিং ওইরপ লৈতেংলিবা লৈকোন অতুগী ময়াইমক অতুদা লৈরিবা সুপীগী সুংতৌগী মুর্তি অতুগী সুংতৌগী চকু অতুদগী লেপনাইদনা হৈথরক্লীবা তকরবা উশিংশিং অহুনা লৈথম কয়াগী লৈ পাম্বীশিং অহুবু অমৃত পিবিবা মতানি। 'সুম্বা ফজবা মথেল্লা তিল্লবা, সুংশিবা লৈময়া হায়বা লৈকোল অসিদা স্টিল চিয়ার অমমমদা শকহেনবী বিনাপানিনা মতায়োই গোমতিগা লোয়ননা হারি হাতাই শায়হুনা কয়ী।

বিনাপানি—ইতা গোমতি, খণ্ডদে, থম্মোয় অসি কয়াম কুইনা হাম্না থাওথিগদগে পামজবা মাগী হাখলতনা কক্তাওনরবি ঐনা পান্দুবা মহাকী শকমবু উথিদবা থাবুম মতা কায়রে। কয়বা মতমদা পাথং মহাকা অবুক্তং উরকগদগে থমজবদা থম্মোয় অসে লাইমন ওইরা ওখোকপনি সুপীজা ওইবীগী পুন্সি, সুপা ওইরম্মবদি তমা চংতুনা পামজবা মহাকা উরকগদবনি, অহুবু দুপী ওইবীগী মপোক্কা পোকলুবনা উপাইদি মরৈখিদরে। কাওতমলরোইদবা হৌখ্রবা থৌদোক কয়া অহুদি মিংমাংদা শণ্ডশং উহুনা লৈরি। মণ্ডংলাংগীদমক সুজা ওইবি ঐহাক্রা অমুক হাজবা অসে পাথং মাদি খণ্ডলিরোইদকো!

গোমতি—ঙরিগী থওনমনমি ইতা, হৌঙবা তথক্লবা থৌদোক করা অমু পাথং মাখি থিংথাংদগী ততনা উরিগনি। মচুনা থানা নওগী মুংশি মওলাম্দা শোয়দনা তাওরবগনি, নওগী আপাপা ককতাওনবা, নঙবু নোংমদি শোয়দনা খিরকখিগনি।

বিনাপানি—নোংমা হায়বথবু কৈদৌউবে ওইরকদগেনে ইতা, থম্মোয় লকাহুংদা লাংচরিবা মুংশি মুত্তি অসিবু কৈদৌউবে শং শং উরকখিগদগে,— থওবে গোমতি মুংশিবনা থুমহুংলবা এগী পুন্সি অসে নৈতাকথ থওদবগুম্বা তৌমি। থসত্ত মতমগী লৈরাং থোক্ইবুবু উক উকরগা পামুবা মহাক্তু থম্মোয়দা করাদা ইথৌ লাংলিবা?

গোমতি—পংথন থবকচুনা থম্মোয়দু হাক্সা চৈনা পিরগদ্দা ইতা, নোংদম্বনা তম্নবা লৈপুন ওইরম্মবদি ইতাগী অনিংবা অছু শোয়দনা থুংলখিগনি।

মতাং অহুদা ওঝা প্রকাসনা মোং হাদনা চংলকপচুনা অনিচুগী থাম্মি পনথগুম শৌথি। ইহা হাক্সবা মোমোম্লবা মাইথোংনা লৈতোং ওইবা প্রকাসনা অনি অহুগী মরক্তা তিররে।

প্রকাস—করি থামিদনো, নথোয় অনিমা য়াম্না চিকথনরীবহুথো?

গোমতি—য়াওশং মতম য়োশমক্লবনিনা য়াওশংগী মরমদা থম্মিবনিনে ওঝা।

খিনাপানি—ওঝাবু, য়াওশং মতম অসিদি থম্মোই অসে মতা অমা ওইনা লাংইবু।

প্রকাশ—বসন্তগী হৈপাল লৈপানা অনৌবা য়েঙলীং হুরকপগুম, বসন্তগী রাগশ নওই খঙ্গোয়দনু লাক্রবমিনা অঙাংনি হায়বহৃদি রাজেদনা।

বিনাপানি—খ্যম মতমগী রাগনিদনা ওঝা, বসন্তগী মতম ওইরকপনা নচগী খঙ্গোয়দনু বসন্তগী ইপোম হৌরক্লেদনা।

প্রকাশ—অভিরামা ভাগ খজোং অনিনা পাইবগুম সুংশি অতিয়াদনু জুরা জকার ওইরকপনি। ঐগী সুংশি অতিয়াদনু জুরা অচুগীদমক্তা ওাইহুনা লৈরি।

গোমতি—হঙকো ওঝাগী বাহৈসিদি কয়মো, ইতা ইবেম্মা, বসন্তগী মতমদা প্রকৃতিগী ইমানা অনৌবা ফিজোল হোংবগুম ঐখোয়গীসু অনৌবা ফিজোল হোংসি হায়বহু শেম শারুয়সিদনা।

বিনাপানি—চৎলসি ইতারোই, বসন্ত মতম ওইরবনু ঐখোয়গী ইরমসিদদি কোকিলগী সুংশিবা পঞ্চম সুর তাবা কংলোয়, কবিগুম্বা কত্তাচিংতা তাবা কংলবনু মথৈয়মমগী কোকিল ওইগনি।

অসুমা শাওয়ংনরবা মাইখোং অনিহুনা কয়মবদগী হৌগৎহুনা চৎলে। অরোইবা বিনাপানিগী চৎলমদাইগী বাহে অহুনা সুংনাংলবা ওঝা প্রকাসতু চৎথবী খোইদাজরবী চুনা অহুবু যিং কুপ্তনা য়েংহুনা অহুমক লৈহৌখি।

হৌফিক্লী সুনা অনিহু মতমগী ফিজেং লৈজেংলহুনা পাওনা বজারগী নিল খোংলবা লম্বী অহুদা খোঙদোইরক্লে।

জয়পুর কোর্ট হাওসকী মমাং অচুম্বাইদা, চুম্বা অমিত্তুনা চুম পাংকী মথক্তা কাথংলকপমক্তদা বিনাপানিকী লাপনা থম্লংথক্তদ তুজুংননা তাপ্রবা শুমহৎলবা 'যন্ত্রগী খোঞ্জেল অচুম্বা নৌংহৌবা তারকে। খোঞ্জেল অচুনা মিপাইশিংবু বিনাপানিনা শ্রীবৃন্দাবনগী শ্রীকৃষ্ণগী বাঁশি খোঞ্জেল তাবদা কক্তাওনরবী শ্রীমতি রাধিকাগী মতৌওয়্রকখি। মতা ইবেম্মা গোমতিমা মতাঙোইগী ওন্নরীবা মাইথোংগী শকতম অচুবু উরকপদা করি তৌরগে হায়না চঙনিংলকপা তাঙানি।

বিনাপানি—ইতা গোমতি, খুদংগী চিক্লবা মকম অহুদা মতম অমদা তাখিবা ঐগী থম্মোয়বু চুখিবা, শুম্মৎলবা সুর অহু ওসিদি নৌংহৌনবা পাওনা মজারগী নিলথোংলবা লগী অসিদা তারয়ে খোঞ্জেল অসি পম্মুবা মহাক্কী নত্তনা অতোপ্পা কনাগীনু ওইরোই।

অমুম্মা মিপাইশিংবি শক্তি অমোমগুম, তথক্লবী মিস্না অনিত্তুনা খোঞ্জেল অচুবু তাররীবা মাইকৈ অদোমদা ইথো লাংনা য়েংলকপদা নিঙাইদনা চকানগী কক্লাং অমদা তারত্তুনা ইকো খোংলিবা অনন্দবু তরংতরংনা উরকখি। থাঙমত্রবা থম্মোয়ত্তুনা পম্বা ওমত্রবী বিনাপানিনা মতা গোমতিগী মমাংদগী অনন্দগী মনাক তয়কখি।

বিনাপানি—হৈমা, তামো অনন্দ নত্রাও ?

তাম্নাওয়া ইংলবী, মেলেবী খোঞ্জেলচু থঙহৌদনা তারকখিবত্তুনা অনন্দনা মাগী ইকো খোংবচু লেপ্পা তাখি।

হন্না য়োলকপবা শুমংলিংগাই ওইরবা অরুম মতম কয়ামদি কুংশি মুঠিকুৰী মৰুপাশা লৈতোক থাঙলক্লীবা, মক চুদা খোইদোক য়েনখোকশী পুক্নিং হনা ফজবী থৱৎতা শাংনা শাংকাইরবা থবালগী মাইথোংনা লৈত্তবী, মীনোক ফজবী, শীতমশী শাখেন্না অউবা থুমিংনু শুমংগী বিমাপানিনু থং-থংনা উরকখি।

অমন—মাদি, অচাংশিংগী কিয়োল থন্না লৈবা লাকপনি হংগাইরিদনা ?

বিমা—হুংগাইরি, তামোনু হৌজিক অহুম মুমদা চমথিগদৌরিব্রা ?

অমন—নুংদথি চয়য়োই, ওসিদি তাই নুমান্তখোয়দা চাক-চন্না অমা চাদি হাৰ্য়রি, অহুনা মথোয়দা লৈবা তারে।

বিমা—ইস্কালদা লাক্লবাদ ঐখোয়দগু অনুক্তং চংলকপা কবনি। তামোনু, ইমাখোয়মগু য়াম্না নুংশিনা শোমবনি।

ওসাইমথৈ দৃশ্যচনু খোইহাংনা য়েংলম্বী গোমতিচু মতা-য়োইগী মতোং পাংদে নীংলহুমা ইহা হাদনা চংশিল্লকই। বিমাপানিগী ইথৌ লাংলবা শক্তমচুবু উরবদা গোমতিগী থম্মোয়চু ফমা নোকনিংথি অহুনু মতায়োইগী পুক্নিং থোপংশিবদি মাদি মথৌ ওইখি।

বিমাপানি—ইভা ইথেম্ম', থসন্তুগী লৈকোম্মা লৈয়াংনা খোয়াংমা চাইজরিবা থুাংজেবা খোইমুক্কনু—

বিমা—চাইখো ইভা, তামোসে ঐখোয়গী ইমানা নুংশিনা শোজবা বীওই অহুনি মখোয়গী ইমুংগা ঐখোয়গী ইমুংগমু য়াম্না নক্লনা তিয়বনি অহুদা মানা ইস্কালদা লাক্লবাদি ঐখোয়দা চংলবপা য়াবদি হাজ্জবগী বাদি।

গোমতি—ও ! তাবোচে ওইরে । অদুদি ঐদুখক্ত কি
অমনিদং লৈরগা চংলগদবনিদা, করিগুম্বা হেক চংগদবা
লৈরবদি তামোন্থ ঐখোয়গা অহুম চংখিররবনু হায়রে ।

অনন্দ—ঐগু অমুক্তং চংলক্কে থগ্নীবনি, অহুবু হুয় হেক থগদবনিদ্রা
—— এঃ তাই সুসাস্তা লাক্লে, মাগা হেক চংখিররকপা
চায়বঙ্গুনি ।

মতম অহুদা সুসান্তহু মোমোয়না তবা অমা হায়লনা
অনন্দগী মনাক য়েংলকই ।

সুসান্তা—এ ! অদুদি য়াম্না লৈখি পোৎখিদনা তাই ।

অনন্দ—মহোৎসাগী থগনা চায়না তাক্ৰী, কুইনা উনকবগা অদুদা
তাইহাক হৌখি হাতাই শাথমীবনি তাই ।

খিনা—তাদো সুসান্ত, তাদো অনন্দসে, ঙমাখোয়না য়াম্না নুংঙা
চানা তোকখবা মীনি । মখোয় ঙমুংদো অমাংলৈনদী
হৌনা ঐখোই ঙমুংগা য়াম্না নুংগা লোয়নমগী মরম অহুম্না
ঐখোয়গু চুম্না থগদবমিদা ।

গোমতি—চুম্না, নখোয় ঐখোয় লোয়নবগী মওং অহুম্না, তুংদি
চায়বা অহুনিদা ।

সুসান্তা—জ্ঞান তারে, পোপা চারে, অখি অনি চুম্না চুম্না,
হা তাই ।

গোমতি অমস্তুং সুসান্তহু থবাই তানা নোকখি, অনন্দ
অমস্তুং বিনাপানিহু হৌনমক নোকপা ওমনজ্রবহু যোমোয়খি ।

হৌজিক্তি লৈপা পাথং জুরা অনিমা বজায় মপুং অচুপা লৈবা য়াবা কিয়োল কয়া লৈরে। মতুংদা জুরা অনিচু ময়ুম মযুমশীদমক্তা কাইনরে। অনন্দনি সুসাস্তগা লোয়ননা সুসাস্তা খোয়দা চংবা তাখি। সুসাস্তখোয়দা চংলুরবা মতুংদা ভাইচাক কোইকনবা খোয়কপদা যিনাপানি খোয়গী য়ুমদা থুংলরে। যিনাপানিগী মমা ইবেম্মা য়মনিনা অনন্দ অমসুং সুসাস্তবু তয়ায়া তৌহনা শজোম পিথকখি। মমা ইবেমচুনা অনন্দবু ইম্ফালদা কয়িগুম্বদা লাকপা খোক্লবদি মখোয়দা ময়ক ময়ক্তা চংলকনবা তাকপিখি। লেখিলান অর্জনা মকপতী পোপা চাই হায়চুনা থাগৎপিখি। যিনাপানিসু অমন্দনা মখোয়দা থাজদনা কোইয়কপা অচুপা কনা চুংতাইখি। ইচম চম্বু ওইরবসু অনন্দ অমসুং যিনাবা মিকুপ খুদং লৌহৌননা উয়চুনা হাপি শায়কবা কংজয়িবমক অচুনা চুংশি লম্বী অচুগী অহানবা খোংথাংশীদমক অহানবা খোংজং ওইখি মতুংদা পূয়মক্তগী কাইনমবা য়াথং লৌয়গা অনন্দ অমসুং সুসাস্তা লোকখেনা সুসাস্তগী মযুমলোমদা অহিং অচুবা পোথানবশীদমক লাক্লে। অহিং অচু সুসাস্তা খোয়গী চাওয়বা নিংখিজয়বা য়ুম অচুগী লুপ-নায়বা কা অচুগী ক্তেয়াগী খোমজুম খোমপাক থক্তা হিপ্লবসু অনন্দগী মমিত্তা যিনাপানিগী মোঙ্রাংদা নিত্রা লাকখিদে।

অহুমশুবা পন্দুপ

মালিকাগী শজাই অহুমগী উবোক তেংবা চাঁইহনা সুনন্দনা মবুংবু লাক্কত্রা হায়হনা খুঁনিং কাংম-কাংনা য়েংলি । মরক মরক্তা খাজগুম্বা তক্করবা মাইথোং অহুবু লৈচিন নোংকাইনা থরকনখিহনা মখি শামিৎবা খাজগুম অভাবা শক্তম্মা অমকপা ওইংনেখি । মবুং অহুনা মরাকত্রবা অহুনদি উপাই লৈজত্রবী সুনন্দনা কমুংদা পিয়াং লোৎনা মোন্দা মমাই অহু উপশন্দুনা কপচবা তাখি । মতৌ অহুমক মমা ইথেম্মনা জাব তাখিং ময়মদি ওয়াং য়াওশং নৈ খাম্ববগী মতুংদা মতারোই কয়াগা মাকাথেংবা চৎখিয়রুবি সুনন্দবু হৌজিক ইকুই কুইদনা মতারোই কয়ানা মাবু হৌবা লাক্লগনি । ওয়াংদি সুখিমকাং ওইথিবনা কিজেং চাকচাগী খোইনা লূকনে অহুবু তৌজিক্তী সুনন্দগী শেংনা চানবগী অকবা তানকম অমা ওইরক্লে । কুপামচা ওইবা শিংগীদি অহোম্বনহুম করিং ভুগী মচা ওইবিশিংগীদি য়াওশং থবাইনা য়াম্না তাজবা কুশ্মেনি । "সুম্বা খাখল কঁয়া" তৌকল্লিবা মালিকাগী লাইবক অমদি নাতোন নাকচি অঁনিদা হুয়াংগী ইরিক কায়কথি । মনাও ইবুংতো চিদানন্দনা মাগী হুই তাইপম্বু পুথহনা মুরুম মুরুম শোম্না খোঙ্গালসোমদা ময়াম্পুংবু ওইকনবা থোকখ্রে । তাঙ্গা অহুমক্তদনি মাখোপমা হরিগী নাম শোল্লহনা মালিকাগী শক্লাই অদোমদা লাক্লীবা । মহৌশাদগী মালিকাগী ইমুং অসি মাথোপ খোয়গা তোয়রোং খোদানবা ওইবনা মাখোপমা ইকোই কোইদনা মাদোল অহুবা কাথংলকই ।

মাধোপ—নচামুপাহনু হৌজিক কাওবা লাকজিল্লবে মালিকা ?

মালিকা—লাক্লজিনে তাদা, মচল মচাগী মায়া থক্লবা অতাংবি, খুদোংশিবগা: খোক্লবজাংলা থওক্লেবে।

মাধোপ—করিস্ক খুবোংথিবা খোক্লমলোয়দা, মমামবা মরুপ রূপাংশিংবগা অঙ্কুক চাক চায়া অমত্তং চাখিসি হায়হনা কাওবা থবা মওইরিবি।

মালিকা—থওরে তাদা, চিদানন্দগীবুদি লাইরিএ, সুনন্দী হেক থনরুদা ঐদি জ্ঞান তাবে।

মাধোপ—অরু, অমবিকাদগী থবা লৌক খোংলুহনা, শেং চাখদি হাজরবে ?

মালিকা—লাক্কা মরাকত্রবদি অমবিকাদগীকুম লৌরুবা তারিমা- লেবে। বারেদা তাদা, অবাবদা অবাবা পিবা হায়বসি ঈশ্বরগী থুশিনমক্কী হায়বদু চুমরা থক্লক্লে।

মাধোপ—বাধন্দু হাক্ক কুপ্পা থন্দহনা নশাবু বাহনগহ উবেম্বা, পুম্নমক অসে মপু মাগী লিলাবি।

মাধোপনা অতুয়া তাওনা হাওনা খোঙ্গাললোয়দা হায়রপ স্নেংথোরকপদা অনন্দগা চিদানন্দগা লাকমিন্নরিবদু হেক উকই।

মাধোপ—এ ! লাক্লেহে, নচামুপাহ্ অদা মনাও রূপাগা লাকমিন্নরক্লে।

মালিকা—লাক্লেবম্না, সুনন্দা, নওনী তামো লাক্লেহে।

ওসাইনখৈ মতুংবু বারৌহনা পিরাং লোংবা রূপচন্দ্রী সুনন্দানা মবুং লাক্লে তাকদা মিংলুঙ্কী পিরাং থৈতথোকহনা


মোমোরনা থোরকখি । মাঙোলগী উথোকতেন অতুদা ভারহুনা হুনম্বনা য়েংলকপদা মবুংগা মনাওগনা ফিরোল য়েংনা-য়েংনহুনা ইরহুনা লাক্লীবহু ঊরই । থম্মোয়হুনা নৈদি নৈরক্লেদনা থমা মোমোয়রৈ । অনন্দনা মনাওগা লোয়ননা য়ুমদা হেক খুংলবগা মচলবু খুংশিনা য়েংলগা 'লাকও, লাকও,' হায়রম্নগা মমা ইবেম্মচী মাওহুদা কমথয়কই ।

মাধোপ—নওনা ওরাং লাকক্রিবদি নৈকদৌরবা শোমদনা নমানা পাথংপনা ভাওয়ে — ?

অনন্দ—ওরাংদি ইমায়বা, কৃইনা উমরুত্রবা অমনা কাহুনা অহিং অমা মথোয়দা লেন্দবা য়াত্রে হায়হুনা অহুম লেরবনি ঐনা কনা য়াজদবনি অহুবু মানা ওমহুনা য়াখিত্রে ।

মাধোপ—ওঃ ঐনসু নমাদা শোয়দনা অত্তম ভৌয়মগনি হায়হুনা হায়রম্নীবনি ।

অনন্দনা মোমোয়না ওবাত্ত হাংদোক্ক্লা মচলগী মখি মরোল অমদি মমাগীদমক্তা নৈরক্লীবা ইনকি অহু মথং মথং পুথোয়কই । মথুং য়াওবী মচল ইবেম্মনা ভবা অত্তদা হিমহুনা চেনা পেকেট ভৌবা ময়োম অমা পুথোয়কখি । চেয়োম অহু মচলনা শেগাইরুবদা হাওকি ফজবা অমগা অরোনবা যোমগাক ফিদক অমসুং মোনথুমনচিংবা অহু ঊরই । মচল ইবেম্মা ১সুং মনাও ইবুংঙোতা নত্তনা মমা ইবৈম্মনা হক্লাওখিবমক অহু মহাভারতকী বাবিদা ভিমনা পতালদগী ফিরোল লৌরবদা মমা ইবেম্মা কুন্তি অমসুং মচিন মনাওশিংনা মুতাইখিবতুম্নবা পাংথক ওইখি ।



অনন্দ—থুড়ামে, অ——,অমবিকাগী ফুরিং অমা ঐখোন্দা
ফাপলকপনি, হোয়েরক লিংলগা নাংত্রগা থাখোকপা তারে,
থুড়ামা, চংথিবদা মরা পাইবিরো !

মহুম্মা অনন্দনা ফুরিং অমা মাখোপতা পিখিনি। মাখোপনা ফুরিং অদু লৌশনগা থম্মোয়দুদা মোমোরকপদু মাইথোংবা কাওদোক্লনা যোমোলখি। মতুংদা অনন্দনা সাইত বেগতা হাপ্লীবা থুরমা অকুপ্পহু মরাম অদুদা শর-থরা লেখী। মাখোপনা থুরম অদু শাইনা শাইনা মালিকাগী ইমুং অমুক হুংজাইবা কদাইদগী লৈরমগদগে হায়না লোকখি।

অহল-মাখোপনা হেক চংথিবগা মনাও চিদানন্দদু মাগী ফুরৈবা কিরোলশিং অদু লেং চাবগুনা হয়াওনা থোকখ্রে। মনাওগী চাওদম শাংদবা শক্তম অদুদা মতমগী পোংশাক্লা লৈতেংবরুগী নিংথিজবা অহুব য়েংল্লবা মতুংদা, অনুদহু মাগী কান্না চংলকই। মান্না মচলনা নংহোরুরোই মতামগুম থায়েম্নাবা মোমপ্লাক লিরক অমমলুং যোনথুম অদু উকরবদা তুচুংবা, ফাওখি। যোনথুম অদুদা, থারম্নীবা মখেক, "য়েংচদেদকো, উদুরৈবগুম" মহুনা অনন্দনা, ওনাং হুম্নিদাংবাই ইফ্ফালদা বিনাপানি, গোমতি অমদি মুনাম্নগা কিয়োল কৌমম্রখিবা, অদু শংশং উরকখি। মতনি থরা শাগৎকরবা মুংশিগী আশা অদুনা তাইবং মওকাও-শ্রকপগুম তৌরকপা মতৌ অসিমক্না। মুংশি আশা অদু যথা তানা কমুং অদম্রকদা হিপথরগা থদ্দরকপা তাঙা অদম্রকদনি অমবিকানা মাগী ইংলবা খোঙেল অদনা 'মুনন্দা, মুনন্দা'

ফায়না কৌন্নকখিনহু ভাখিবা, । খুমদবা মাক্সা মতৌ ওইখদা মাঙ্গা শাগৎচন্নিয়া মডজং অহু কাইহনবা ভাখি ।

অনন্দ—ইকজন্নি, কারক্ন'ন ভাইচাক্তা চাইদুবা ।

অম্বিকা—"তামো পাবুংদা ফুন্নিং অসি কৈদৌবগী পীরক্লীবনো ওন্থোক্লা ইকাইকগে ।"

অসুম্না ভাওনা ভাওনা মতাম্নোই ইন্দিরাগী লোয়ননা অনন্দগী কা অতুদা অম্বিকাহু হংলিন্নকই, । অনন্দনা প্রুজংনিন্নাই ওইরবা অম্বিকাগী ইনথংলকপগী মতাম লৈরবা শক্তম অহুম মুন্না য়েংলুরগা মোমোন্নৈগে ।

অনন্দ—নঙনা লিংপহু নংনবা হায়হুনা পীখিবনি, অহু কাওবা লৈবরক্লীবহু নক্লাইবক্তু, শাক্লা ইংত্রা য়েংউ ।

অম্বিকা—ঐনা হায়বদি প্যাবুংদা পীরকত্রবহু ঐ লাক্লগা লৌজ-রগদবনি হায়বগী বানিদা ।

অনন্দ—লৈনিংনা লৈরকপা ওইবনম্না ওন্থোক্লবু পকপ্রে, পকত্রবে ইন্দিরা ?

ইন্দিরা—অহুবুদি, কৈরোনে তামো, মাপী মাহী হায়বসিদি কজহন্দবা মাত্রদো ?

অনন্দ—বম, মহুমক্লী, অহুবু মহু মাদি থঙদবনিনা, চক্রিমে মহানি ।

অম্বিকা—লাকওসে ইন্দিরা, অতাওবহুগা মামহুনা চিপা পুদানহনা লৈরগহু সুনন্দা লাকগে, চংননবা তৌরসি ।

অদুম্না অমবিকা অমদি ইন্দিরা কাংনী খোকথি। হৌজিকসি অনিছুম্ সুনন্দগী মনাক্তা লাক্‌্নো সুনন্দনা মখে খেন্বা অদুদা য়াওরে। তথোংনমক লৈথোমদক্তা লংনা কজবা তম্ফা সুংবু সনানা কুদোংলবা তম্ফা সুংনা মগুন লৈনা কজবগুম, কিমনা খোমছুনা লৈরম্বা তথোংলবী নিংথৌজরবী ইনথংলকপগী মতাদ লৈরবী সুনন্দগী শক্তমদা অনৌবা মতমগী কিজোলনা লৈতোংলকপসিদি শিংথানিঙাই লৈতনা কতবমক্লী। 'ঙম্মা কজরবি শক্তমছুগা কজরবি অনিগা লোয়ননা অছুম অছুনা মালিকাগী শকাই অছুদগী খোরকথিবছু লক্ষ্মী, সরস্বতি অমসুং দুর্গানা লেংখোরকখিবমকা পাংথক ওইনা নিংথিজখি। খোকপ্রিবা অছুম অছুবু থোংনাওদগী য়েংজক্করগা অনন্দনা মচলগী কজবা শক্তমছু থুজংগী তোমথিল ওইনা মজবী অমবিকাদগী তাদে থগথি।

অমবিকা, মাধোপকী নাইতোম পোকচবী মমোমনি। মহাক মহাকী মবুং বিপিনগীসু অমতা তাইজরবী মচলনি। মবুং অমসুং মপাবুংনা অমবিকাবু য়াম্না লুম্না কেনা থমজৈ। মনম্মা ইবেম্মা অনুসায়ানসু অমবিকাবু পোকমিম্নবা মচলমক্কুম লুনা চাম্না লোয়নজৈ। অমবিকাদি থুজং অসিগী মপুং ওইনা কজবী লৈশাবীশিংগী ময়্যাংদা তোমথিরি। মপা ইবুংঙো মাধোপসু থুজং অছুগী মচিন চংপা ইনাক কৈরাক হায়রগ থুরবা মীওই অমনি। মাধোপনা অনন্দগী শক্তম অমসুং লমচং অছুদা মিকারছুনা মচানুপীবু অনন্দদা থাজগে নীংথি।

মরম অসিমক্তগী মাধাপনা মালিকাগী চিন্নবা মতম কয়াদা মখোং কয়া পাংশিন্নুনা অনন্দ অমসুং অম্বিকাগীদমক খুংশি লংলা অয়া লৈহন্নবা হোংনে থ। অম্বিকা লৈশাবী অমা ওইনা অয়াংপা লৈতনা কনবীনি। মহাক য়াম্না হৈং তম্নী চুপীকা অমা ওইবগী শুন শুনা লৈতেংবীনি। মহাকসু অনন্দগী আশাদা তাওরুবীনি। মহাক্কী অনন্দবু পুন্সিগী ওইনা খুংশিজবনি। মতম অয়াম্বা শুনন্দা। লোয়নবনা মরম ওইদুনা অনন্দগসু অদুম মরোইনথি। মতৌ অসিনা অম্বিকা অমদি অনন্দগী মরক্তা ইকোই কোইমদবগী মতৌ ওইরকখি। অনন্দনা অম্বিকাবু চাক থোংলম্মু নপুং য়েংগে হায়দুনা চাক থোংহল্লী। করিগুম্বদসু ফিরোল শুদোকলম্মু হায়দুনা শুদোকহল্লী। পুম্নমক অদুদা অম্বিকাবু ইকোই কোইদনা অনন্দনা হায়বদু তদুমক মতৌই। অদুগা চম্বা মতৌ অসিনা মপানথোংদা অনন্দগা অম্বিকাগা খুংশিনৈ হায়না নিংলীবা অদুগী মথক্তা থম্মোয় থম্মোয় অনিদুদা খুংশি আশা অমমম লোৎনদুনা থম্বমক্লী। তাংলংনবকসু অম্বিকাগী থাজমত্রবা খুংশি মিৎয়েংনা পুথখিদুনা অনন্দবু পুংজা কয়া তাওহনখিদবসু নত্তে।

অনন্দগী মমা ইবেম্মা মালিকানসু অম্বিকাবু মখোই ওইজনিংই, মরম অদুদগী মাধোপকসু তাওনা শিংনদুনা থমন্ন্নিবমক্লী, অদুবু ইমুং অদুগী কিজম অমসুং মচাগী কিয়েপ চুমক্লে হায়দুনা তাইনদুনা লৈনম্নিবনি। মালিকা অমদি মাধোপনসু অনিমু খুংশিনন্নি থম্না খুতাইজন্নিবনি। অমরোমদুনা অম্বিকাবু

মিতাজবা শাবং কয়াস্থ লৈরিবনি। অছুবু পুম্নমক অহু থম্লদনা অনশতবু নিংজবী ঐখোয়গী অমবিকাবু ঙসিদি অনন্দনা থাপলপ থম্বগুম তৌথি। কোংদংবপা ঙমদনা থম্মোয়মুংদা লৈচাক থাওলিবী লৈপাং এইবেগী মাপাঙ্কা পোক্লবী গুঙা ওইবী অমবিকাগী মুংশিববু মপুং কাগজ্রা নত্রগা কারয়োইজ্রা চিংনদি-ভাইনি।

মরিগুবা পন্থপ

সয়ক্তাঃ লৈয়ক্তা লমজাওদা অঙাংদগী অহল কাওবনা অথেয় খুবাম খুবাম পাইহুনা নিল্লি, লাংলি। লৈশাবীমচা পয়েংপয়েং, পাথংমচা শঙ্গ-শঙ্গ অচিকপা লৈতে অৱাবা উদে। অহল কাংবু কয়া অমনা কিমাম্নবা শেকহ্নবা হোলি হোলি লাওছুনা থুলোপ পুংজাও থিনবনা অতিয়া মকোয় পুমনিল নিল্লি। নাকয়েংবা কাংবু কয়াস্থ মরি মরি অরংপা লৈতে, "মুম্বা মাওপংগী হয়াও তয়াম্বা কুইক্ষো অসি ঐখোয়গী মোক্তিগীস্থ শরুক থুংদবা নত্তে। মোন্তিহ্ কেথা য়াবা কেরহনা লশীদা নোম-নোমহুনা লাক্নী। য়াওপং থোয়ক্লীবা অঙাংশিংনা মোন্তিবু উবদা তুন-তুন মরা তুন-তুন মরা হায়হুনা লক্লবি। মোন্তিনা মমাই ঙাওপং ঙাওনা শাওনা চৈহং চৈহত্তুনা লশীহুদা অহুমক লেপ্পনা চংলি মোন্তিদি মথা কা হেম্না চাওবা য়নাতোন নশা চিয়াই হায়রপ

ফাওবা মী লেমতক লৈবা কুংশংকুমুগী পাখংনি। মাগী মক্তম য়েংলগ লোক্তাখাক্কু নেক্লীবা মতৌনা, অঙাংশিংনা চোংথং চোংখৎলুনা মোহন্তগা অবের তৌরিবনি। মতৌ অদুদা শাওনিংবনা মনাকতানা কেক কাম্বাগা মোহন্তগী মনাক্তোন শামুগী মনাক্তোনগুম মী লেংকমনা লৈরাম। লম্বীদা থোৌর থংলাবি লৈশাবী মচাশিংনা শেন শিন্দু হাংলেন্না কাম্বা থান ভাঙ্কপদা শিলংমন্দহুনা শামু মতংশুনা চেৎল্লবা মেশিন। মঠেমথৎ অমবিকাখোয়গী লৈশাবী কাংবুগা মাঙ হাক্লকরে। চন্দ্রানচিংবা লৈশাবীশিং অতুনা মোহন্তদা শুনশন্দুনা অবের তৌরিবির। ইন্দ্রানা মোহন্তগী লাওরবা থোংগ্রাংওগী ফুরংথংও অতদা হুনজন্দুনা লুপা মঙাচংপ অমথক য়াওজনহু লোৌথোকাপরে। মোহন্তনা লুপা মঙাহুথক মমানা লৈশত লৈশত পিথরকপানি। লৌগে হায়রবসু লুপা অমতমক লোৌবিমু তায়হুনা অতৌবও অঙাওবওনা মরাঙ্গ মরাংলবা মমাঙ্গহুনা পেরি পেংর হায়জরক্রী। পিরং শিন্দুক্তা মঙাইরবা মতৌ অদুদা সুনন্দনা সুংঙাইরকত্রহুনা লুপা অগমদা গুইরবসু হনবিশিসি হায়বীবদগী লুপা অদুমদি উচিন নাচিন্ন হন্দোক্লপিরে। লুপা অদুমহু লোৌরগা শাওরংনরম্বা মোহন্তহু মোমোমখুনা চিদানন্দ-থেংগী থোজাল তমলক্লে।

চিদানন্দা'খোয়গী থোজালদা মোহন্তগা মালিকগা থেংনরে। মালিকনা মোহন্তদা চিদানন্দহু চাক চাহৌরিবনি, চংঙ্গ চংঙ্গ মাদি মনে কুমদিনিখোয়দা চৎকুখিগে হায়রমলগা অহুমক চৎখ্রে। মোহন্তহু হৌজিক্কী মালিকাগী শজাই অতুগী

মাঙোলদা থাগ্নিবা চৌক্ত্রি অদুদা কমলগ ‘চিদানন্দনা’ থোরকপা ওাইদুনা লৈরম্রে। মহাক্না মচাক চিদানন্দবু ঙ'ইরি চায়রস্তু চিদানন্দবু— খঙনরবা মতুংদা ঙেনলদা মথুংনা তান থারগা চৈশে ওংলি। য়াওশংগী নাকথেং লাকপা অংগম অবের তৈঙনগা থোরকপা অঙা মঙাদগী তর, তরাদগী কুন অহূম অনৃম মাঙোল অদুদা চংশিন্নরকপদুনা মোস্তিগী মাঙৌ অদু কৈম্মে ওইনা য়ে নদুনা লৈবম্রে। মোস্তিদু মাঙৌ অদুদা মট অম কানা ফুরাইরকনা কা[illegible]থোকুনা হৈশে শকলক্রী,— ‘ঐদি পাখং বোরাবনি. ইতু [illegible]রিবা. শঙোই লুরকোই তেকত্রিবা. ঐদি পাখং বোরোবনি। [illegible] ওইরবা অঙাংশিং অদু রাম্ভ রাস্ত লোপ্লরি লম্‌দা চংলম্বী ইয়াং লৈবী মোনচা অমনা ‘করিনো ইন্দোন মাংকা থোইগী মাঙোলদা দং দংস্থ থিগ্নি. অঙাংস্থ রাম্ম' ভিভি অদুগা নোকপস্থ রায়া নোকই. কারি কুইঙ্গবু ভোরিবকাংনো চায়দুনা য়েংবা চংলক্লী। মোনচা অদুস্থ মোস্তৌগী মঙৌ অদুদা শিথ শিথ নোকখি। মোনচা অদুনা ‘মোস্তৌদা নওবু থা শুরত্রা’ হায়না লক্লখিরে। মোস্তিনা ‘হোয় থাদ শুরবনি অদুবু পোকপা ওমদদুনা লৈরে’ হায়না থুমলকথিবদুনা অঙাংশিং অদু বা বা মালিকাগী মাঙোল অদু পোকথাইগদরা মতাদা নোকখি’ অঙাংশিং অদুনা চুম্না কানীদুগী নোকপা নত্তনা করেম্নবা মিনোক কয়া য়াওশিল্লকপনা মোস্তিগী থম্মোয়দা শাওনিংবা অমা কাওরক্লে। “নাকথেং চংলুগেদি হায়দুনা ঐবু য়েংদুনা লৈরি। এনা ভোরিবা অসে কুইঙ্গ নঙ্গেনদ্রে চংলুনদ্রে চোইহাশা”

হায়দুনা শাওনা লাওরক্লে। অঙাংশিং অহুনা মাগী মচৌদু মহক্লা হেমা লক্লরক্লবা মতৌ অহৌবা মোখিনা অঙাংশিং অহুম্ কোইতাল তায়রে। ইবাই থংজ্রবা অঙাংশিং অহুনা অপাংপদা কোংবা হৃরিংগুম অমুক কোইতাল তাময়বনু অমুক হেক্কা 'তুন তুন মবা০ তুন তুন মবা' হায়দুনা লক্লহুনা চংশিন্নক্লে। অহুম্না মোঙ্গ মচুমদা চৈনা খিনবগুম লক্লরবা অহুদা মোখিদু থম্মোই শোক্লা শাওনিংঙনখিদুনা অথরবা অঙাং অমদি ৰংবি কাওবা ভাইগে নীংনা তাময়ক্লে। লাইবক খিবদগী চাওরবা শজাও অদু চৈকাদা নাহদুনা উপ্পা তুশনখ্রে। মতৌ অদুনা থোইনা হেমা অঙাংশিং অদুনা কনক পেনখবৈ নোকথক্লে। মোখিদু তুম্নিবদুগী চৈনাদু থাঙবা বানা হৌগংচবা হোংলক্লে। অবাবা অমগী মথক্কা অমাবা অমা হাম্না হায়বদুনি, মোখিগী মমাইদু শন্দ্রদা উপলুরমান্নে০ মমাইদু শম্বিমক্কা মঙাইরে। পেন্না পেন্না ভৌনা মোন্তৌনা হৌগংচদুনা মথুংদা মমাইদগী শম্বিদু তপ্পা তপ্পা লৌথোকচবা হোংলৈ, অমুকমু মনমদুনা মথন্ত কয়ারক গুগংচৈ। ভাঙ্গা অদুমক্কদা কেন্না য়াবা কেয়গা থোয়ক্লিবা চিদানন্দনা মকপ মোনতিগী ফিভম অমদি শক্তম অদু উকবদা নোক্কবা ঙমজদুনা নোকথোকলুরে। মাবু দুংশিবিগন্না মা লাক্লবদি থঙগনি থজম্নিবা মোখিগী মমাং অদুদা চিদানন্দা মশামক্লা নোক্লরবা অদুদা মপুক্লোং দুংশিন্নদুনা মোখিদু পেথোরক্লে। মতৌদুদা অঙাংশিং অদুনা বিকার অদুগী মতৌ ঙমদুনা হেমা কয়েমনা নোকশিনবিরক্লে।

মতম অদ্দগি চিদানন্দনা অচাংশি অদুবু চৈরৎতুনা য়াম্মোক্লগা মোইরাংবু থৃংশিন্দুনা শাবোরক্লিবা পুখোক্লনা মমাই মখিৎ তাখোকখরে। মতুংদা মরুপ অনিমু মাত্র তৌনা য়াওনাং থাওশিনবা থৌওশাপোয়রে।

লাইরপা নিরুপমা য়াওবা লৈশাবী কাংবু অমনা মথা লৈকাইদগী লাকী অচুম্বা থৌরাং থংলীবদু। মোইরাং অমসুং চিদানন্দনা উমনারি। নিরুপমা চিদানন্দগা লুংশিনবা লুপীদা অয়নি। মাগী শকমখি পাম্বদ বাংলবা তৌনা য়াসি চৈনবা অহৈবা থুনিবো তঙহংনিঙাই ওইবা মাইথোংনি।

মাগী আশাদা খোঙদোইরক্লবা চিদানন্দনা লুপীদা অহুকপী মহুমহা থাইবুথ থাইবুম তৌনরিবা প্রসেনজিৎ, দেরাজুৎ অমদি মখোয়গী থৌরাং লুমোংবু উথি। থুনং অহুপী লমহৈনবদা খোইদোঙ্গা মমিং লৈরবা অহুম অচুনা থৌরাং থংকম অচুদা তিঙ্গিবা মীরায় অচুবু হওঁ-উদিংতনা অপাম্বা লৈশাবী থক-থকপা কাম্ব কাম্লপা অবেব উত্তিবমক অচুনা চিদানন্দগী মখিৎ নাহৈনখি। চিদানন্দনা থুংলবমক অচুনা প্রসেনজিৎসু হেয়া নাপল কানা খেবা হেনগৎ-লকখি। পুরমক্কুব ইথো থওইমনা চিদানন্দনা নিরুপমাবু কৌশিনগা তাখোক মোনবী অবগী মনাক্কা কপ্পীহুনা অচাউপাং চাখিনদুনা বামী শায়রি। মোইরাংসু পাথং চায়বখি ওইবনিনা পুস্পদগী পাওদয় থয় নিয়গা সুনিতাদা পাওদয় থয়রং চৈদ্রুগে হায়দুনা কয়া তরক্লি।

মোইরাং— থুবিনা থদিক্কা ওইরবসু নমথংবা!

ভুবিকা— অদি ঐঙু [illegible] মমগে [illegible] [illegible]
নৈচনা ঐমেনো চৌমিনি।

যোঙি— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
চুক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] '[illegible]'।
[illegible] 'কে-রে' [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

যোঙ্গিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চংশিন্নরই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চংশিন্নকনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। যোঙ্গিন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চংশিন্নকনা [illegible] [illegible]।

যোনতি— [illegible] [illegible] [illegible] ?

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

বুবো— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

যোনথি— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ?

বুবো— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

যোনতি— [illegible] [illegible] [illegible]।

বুবো— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] — —

ব্‌নোবা যা ডাওবা লোইকাইশিংদো মোমজিনা অশাওবশী চৈথি কানা ব্‌নোগী গলাদা ডাপ পাইখি। মথুংদা ব্‌নোব্‌ কদি করাবা শাবা লাইখিত্তম ইয়াং য়াংবা থাজনেলগা লাক্‌না লংখোকখিবছু গুংশিংনা হুমদা অকংবা উনানা লৈমাইদা থরোং থরো ওনথত্তম যুনোছু ইমুক্তা থয়ো থয়ে ওনখি। মতোউদা মোলোমদা চৈথিবা শক্তি অনিহুনা তম্বদনা চংশিল্লকুনা ব্‌নোব্‌ শেগা মাক য়েংনা চিংথংখি। ওহোক্তা লাইবক খিবা হায়বহানি। অময়োমদা কমক মাংদা চাং তাবা হায়বছুনি। কোচি নাম্বোক খিবদা ওইরমায়ে! মীমাং অহুদা ব্‌নোগী থোংগ্রাওছু শংনাম্বকখি। মতৌ অহুমক্তা মীয়ায়া কমক পেম্মা মোকখিবগী থোক্কৈলংনা প্রসেনজিং অমদি দেবজিংকী থম্মোয়দা ব্রজ তাবগদনা মত্তা ওইখি। ইমাই হুংশি য়ামনা মমাই অহু ইচপমুক তাংনা থোংগ্রাওগী কোচি পার্শিনজখিবা ব্‌নোছু নায়োম্দা ইনশম্লখিবা প্রসেনজিং অমদি দেবজিংকী তাইবা শক্তি ওইহুনা ন.পং.গা লোয়ননা ইচং থৌনা মোন্তি তম্না চংশিল্লকই। মাগী শক্ষক্তা তাইমবা খুত্তুম অহুনা থোংলবা মোন্তিগী পুখুংনম্মবা মজাই অহুদা অহুদা অমুক্তং খিনজরকপহুগী চৈনানা মোন্তিগী মিংদুদগী পিয়াং ইহোৌখি। লাকচৈদা মমা মোন্তিনা ব্‌নোব্‌ আশা তৌয়কপদা মুনিম, প্রসেনজিং অমদি দেবজিংনচিংবনা থাম্বা লাক্লখি। অমুক্তা ওইয়বছু খিলহৌয়পে মতাদা ব্‌নোগা চৈনয়ক্তনা মিংথৈ নাইয়ে য়েংলগা 'য়া' হায়হুনা অমুক্তং কাওরকপদা ব্‌নোমদি পালহোৌরহুনা মোন্তিছু চৈমাইদা নিংগাং য়ৈনা তাখি। পেম্রবা

মোত্তিহ মিংদুগী পিরাং ইহৌনা লেঙমক্লবা চী মুমগুম লৈমাইরা-অহুমক লৈখি। কিন্তম অহুমক প্রসেনজিৎনা মোৎকা খাবশিনমগা ইরুকখিবা অৎকনি থঙলবা চিরাননবা, কিংবা শাওনা হৌগৎলুনা 'লাম্বা লাম্বা মুরুরিলৈদা থামশনমগা নাম্রোন্দা খুৎ মাওবঙ্কিবহু লিংথেন পাম্নবগী মতৌনি' হায়না প্রসেনজিৎতা হায়খি। প্রসেনজিৎ অমদি দেবজিৎনা খোন কনবগী মথক্তা চিদানা কম্রি পাম্বগে হায়না শিংনরকপদগী অহুমহু কুনরকনবগী তৌরকখি। প্রসেনজিৎ লিংথেন কবা শায়লুনা দেবজিৎপু খঃমকনপা চিদাপা লাম্বা পাগে হায়রকখি। হৌজিক্কী লাম্বা অনিহু খুদাং তাখৎলৈ, হায়জগাত মেনবা লাবা অনিনা কাওনরগদবা মতাদা মখোং কপোক্লরকপগুম অনিহু কিন্তম শেম্নরকখি। নাকন্দা কময়া অহল-লময় অমদি মহারোল কয়াহুনা মাওবা তারে হায়হুনা চিংথোক্‌্না থায়রকই। হপোকপবা মেনবাহুনা পেনহৌরহুনা অমুক মখোং কম্রা ওনশিল্লকপগুম প্রসেনজিৎনা চিদারোমদা মমিং মনা ইচপমুক ওাঙনা ওনশিল্লকখি।

প্রসেনজিৎ— ওসিগীদি নম্রাইবক করে অহুপা চেকশিনগদবদি
    মতুংদা খোঙ্করগদবা লানকম অহুগীদমক্লী।

দেবজিৎ— লানকম অহুদা নঙগী নপুক্তি অহুদি শোয়দনা
    লোয়মবনি থঙজৌ।

অসুম্না শাওনা শিংলমগা প্রসেনজিৎ অমদি দেবজিৎনা মুনোমু কোন্দুনা মকম অহুদগী লাপথোকখি। অহমহুনা হায়রপ লাপথোকখিবত্ত মেংলুমগা চীনগনবী মুনিতানা মীয়াম মমাং

অহুনা মঙুংঙৈ মখাও মোঙি অমদি বুনোগী কাওচমকরোইদবু,
লাকচম অহুগী বীরাই জিখরকখি। মীয়াম অহুম্ রোদো, অম,
খিংখিং মিংশিংবা খাউমজবা মওংদা নোকখি। শাওরংনরম্বা
চিংনখম্ হুনিডাগী পাওদমগী শকওং অহুনা নোকহনখি।
লাকচনখিবা মীভৌ অহুনা নিঙমখৈবা নঙনা চৈথেং অহুগী চৈনাহ
পিরাং পিরোইনবা থাওনা মৌশিংম্ পাওদম অহুগা চৈরোইনবা
বুনেলক থওহৌদনা খোংগ্রাও নাহৌরকখিবহু নিংশিংলুরগা
খাওদনা নৌকখোরকখি—হা— হা— হা...

মঙাঙুবা পঙ্কপ

হুমিদাংবাই ভাও,রবা, অতিয়াদা ডান্নু খঙোংশিংবা
পাইরিবহু পুক্নিং হুনিডাইনি। লৈকোলগী লৈরাংশিংনা মালংবনা
খোইমুগী মপাও পুরকপহুগী ইথিলগী ইপোমনা অগোই শাজবা
মতমনি। মহৌশানা হাজিরু ওইরগদবা মতম ওইরনা ওন্না
প্রকাশিতু দেবিলাম জজ গী শঙাই অতুদা থুংলরে। রজগী শঙাই
অহুগী নাকল ওইরগ লৈরিবা নীংথিজবা লৈকোল অহুদা
শকহৈনবী বিনাপানিনা উপন্যাস পাহুনা লৈরিবহু, অক্রাসনা
ডবি। ভাও,রবা মঙালদগী খকতোকরপা ভাওলৈনরবা, মুহু,
অমুনা শেং কানা নীংথিজরবী বিনাপানিনা শুঝাবু তরাম্না

কৌশল্লয়কই। প্রকাস এমঃ এঃ পাস তৌরবা হায়রি মেকেন্দরি স্কুলগী ওঝা অমনি। মশা তনাগ্নি তনাবু হৌনা পাংলা বাংবা মপা শক্তমদা য়াম্বি লৈনা ফজবা প্রকাসনি। মহাক্না কোচিং তৌনবীদমক্তা অঙ্গ না নেকপদগী প্রকাস্না মুথিদাংবাই থুনিংগী অঙ্গগী শঙ্গাইদা হাজির ওইরম্লিবনি। তশেংনমক বিনাপানিনা প্রকাসপু ওথা অমা ফুইনা তয়াম্না মহৌশাদগী তৌরক্লিবনি, ওসিস্থু অহুমক তয়াম্না তৌরি। অহুবু মিতায়বা থম্মোই অহুনদি মাগীদমক্তা বিনাপানিগী থম্মোইদা য়াথল অমা লৈরমগনা হায়না খাঁশা তৌরি।

প্রকাস— কোন্তমদনা থম্মোইনুংদা ফুক্রীবা মুংশি মৈচাক অসে "মৈম্নি থোক্না চাক্রকলে-থাওবা ওয়েক্লে হায়বু বিনা, নঙগী থম্মোই লৈকোল অহুদা প্রকাসকীদমক্তা জগা অমতা —ইলরমোইদ্রা ?"

বিনা— তাদো মচলম্বু বাংগৌখিগনু মচলগী থম্মোইগী অমনথকী আশানা থনথিবনা কনা অমগী জগা লৈখিদে। তাদোমু মচলনা মনলগা ইনবা অমদি মুংশিনবা শিনবদা শরুক য়াবা য়াওশিখনি। তাদো মুসাক থামদি ওথা প্রকাসপু এই অমদি অনগী মুংশি ইতিহাসকা কান্নমলোইদবনি।

প্রকাস— হঁ, এদি নওপা অমনগা মুংশিনবা শিনবা য়াউদে, —এদি মুনাক্তা য়াগা-মপশিনবা হায়বগী মাগী তৌমিন- চকশিল্প নওনা আইনা অকণ্ডাগা" মুংশিনবগিদি তৌরবক্তা থাজকদে।

বিনা— অদুবু থাজবেদনা, বিনাগী থবাই অনগনীনি, অনগনী বিনানি।

প্রকাস— মহু অয়াম্বনি, মতমগী তুতাশিংগী পুকচেল অবেপ্পা লৈবা হৌনদে। মতমগী শকতেনবা তুতাশিংগী শায়োন্নি মশা পাম্নি, ওলিবা অমা চদেংবা অমা, মরম অইনা মতমগী তুংশিনবু অলুগী মথেল হায়নরিবনি। তাবুয় বিনা, থাওংথকী হুংশিনহুনা পুক্লিগী লৈপুন শোয়দনা ওইরগদ্রা?

বিনা— মতমগী তুতা থরুহুগী শায়োন্না তুগী সমাওগী কিদম পুন্না মাওহনবদি নত্রে। পুকচেল লেম্মী, ভোপ ভে মী, খোইরাং খোইবী, মাইবু পেমচা, লৈকন্না অমদি সাবিত্রিগুম্বী বন্না অমত্তু চিন্না লৈরি।

প্রকাস— হায়বদি, নওস্তু মথোয়শিং অচুগী মপুংবা অমনি, মথোয়গুম্বা পুকচেল লেম্মী, সভিন্না গুন লৈবিনি মদি নত্রা?

বিনা— থাম্মি, এদি লেপপ্রবহুদি লেপপে, লেপপ্রবা বাথলবু অমুক থুপাইরবদি সতি সাবিত্রিগী মশিং লৈরমলোয়, সাবিত্রিনা ইকুই কুইদনা শিরগদবা সত্যবানবু বর ওইপে লেপখিবনা তুংদা খোক্রগদবা অক্না অনা: পুন্না কাওথোক্তনা দুহোংখি। থারোইবিগস্তু, মকপ্পবা তুগী ওইবিগী শক্তম্বু ময়েক শেংনা উৎপতনা বিনাপানিগী লেংরবা আদর্শনি।

প্রকাশ— করিগুম্বা নপাবু'না অতোপ্পা বর অমদা নঙবু থাজবা তারবনি কমদৌরা ?

বিনা— মহু বিশানা হেক্তা য়াগদবা নত্তে, খিনা গমলাগী লৈরাং নত্তে। পাবু' জর্জ অমনি, হিয়ম অশিদমু নপানা জর্জ তৌজবা তাবনি।

প্রকাস—বিনা, থম্মোইনা খোইদাজরবী নঙগী নফমদা মাইথিরবা প্রকাসনদি, থম্মোয়দা য়েকচবিরবা মুর্ত্তি অসিবু পুলিসমগী মাঙহনবা ওমলরোই।

বিনা— সুংশিরগীদমক্তা করিগী অহুক পুক্নিং হনবীরিবনো, অদোম পাথংমি হায়রবদি থোইমু ওইবগী মহৌশা লৈকোদ কয়াদা পাইবিরুহনা লৈনম থিজরগা, সুংশিবা লৈনম নপা লৈরাং অহুগী লৈহি চুপ্নীক। মতম অদুতদা অদোমগী থম্মোইদগী মুর্ত্তি অহু মাঙহনবা ওবতা নত্তনা অদোমগী থম্মোয়গী অপেনবা ওইগনি।

বাহৈ থরসি হায়রম্লগা মোমোম্নরবী শিমাপানিহু ইমুং-লোমদা চংশিনখি। উপাই লৈত্রবা প্রকাশমু উপাই লৈজনাচংশিনবী বিনাবু য়েংনা য়েংনো নিঙ্গমদনা লৈহৌখি। প্রকাসনা থম্মোয় শোক্না চিয়ার অহুদা কমথহনা থম্মোইগী চৈনা অমদ্ থাংজিল্লহনা ইমুংকুগী মীনাই রামুনা শজোম কপ অমা পুথোরক্নুনা প্রকাসতা পিরক্নি।

র'মু— ওঝা ইবুংঙো, ইমেম্মনা মথা রাম্না শানা উই অহুনা রম্না ই থনবা শজোম কপ অমজং থকউ হায়হনা পিরক্নীনে।

প্রকাসতু খুমকম থওদনা মমাইদু ইচল অমুক তাওখি।

রামু— এঃ ইবুংঙো শজোমগী থকউ, ইংগ্রগনি, অশাবগা অশাংগা থোংনরবজদা ইংখৎলকদবনি।

অদুগ্‌মা রামুদু শজাইরোমদা চংশিনখি। ইকাই খুংশি রামনা শজোম কপ অদুবু মুমা য়েংঙমবদগী প্রকাশনা শজোম অদু লাকহুনা হৈদোকখি।

এখোয়না খৈহৌরোম্বগী ভৌনা খুংশিবগী ওক্সবা বারী কয়া কয়া তাররি। ইতিহাস অমসু, সাহিত্যনসু খুংশিবগী থাক বাংলবা বারীনা নয়া থোংনয়রী। ওসিসু খুংশিবগী করবা শক্তি অলিগী বারী লোয়রি। পৃথিবী অসিমা প্রলয় ভোর-কাওবদা মাওবা লৈররোইদবা খুংশিবগী মশুন তশেংনমক অওকপনি। খুংদা খোক্সরগদবা অবা-অনা, অশি-অনা থওদনা খুংশি সংসারদা মীয়ামা ওাওনরিবনি। ওক্সবা, ওইরবোই থরবা খুলাই কয়া পুথোরক্লনা অমোবা অওনবা মালেম অমা ওইরক্লে। অদুমক হৌরকপদগী য়াওরক্সবা খুংশিবগী অশেংবা মশুন অদু থওননবা খুলাইদি ওসি কাওবা লৈবা ওমর্ত্রি— লৈরকখিনি হায়বগী থাকবসু লৈতে। কলিওগা লৈয়ম্‌বদি প্রকাসকী খুংশিবগী থাকা অনদগী খুংশিবগী থাকা কনানা হেনবগে ওয়মগদবনি। প্রকাসনা বিনাপানিগী শক্তমদা ওওজহুনা লোংমতা উহৌবদা অবাবা ওইরি। অদুগা উক উকরগসু খৈচাকসু হাস্নী, মদুমক নাকল অমতগী খুংশিবা ওইবননি। অদুগা নাকল অমনা মশা মশা অনিনা রামনা খুংশিবগী উরবা অদুগী খুংওাইবহুনা অবনগীনি।

ঙসিন্থ, মীংথিজরবা সিমিত্রিশী লৈকোলদা বিনাপানি থুংলেং পাংলোইনহনা অনন্দহ খোঙলোইরক্নী। লৈরাং খোইমুনা চিংলোক্লবশী ওংনরিবা অহুওম শাখি শানৌ অনিহনা কাশী কুপোই ভৌনহনা লাক্ল কামদনা শামরি। থিকুপ অমদা অনন্দনা লোংথবদ, থিপাইরবী শজি অমোমওম ওথক ওথক্লা বিনাপানিনা অনন্দবু থিজরি।

ওম্মংয়াই চেন্নবী শরুম অহুবু উ অমশী মরুমদা লোংতুনা য়েংজরম্বা অনন্দনা থম্মোইনা থাঙমদনা উ অহুদা ওারহনা থম্মোই শোক্লবা শরুম অহুবু ইথৌ লাংনা য়েংলি। মানা থিগ্রিবা মী অহুনা মাবু মুম্না য়েংহনা লৈরে থঙলক্লবদা থিনানা চংশিন্দুনা অনন্দদা ওইনরয়ে। অনি অহুনা য়ায়্না চাম-চিন্ননা থাম্নী থাতাই করা ভৌরুরবশী মতু'দা চাইনা পাইরম্বা দুমিদাংবাইশী ওাঙ্গ থংলোং অ'নিনা তুকাংননা পাইমিন্নরকপওম অনন্দগা বিনাপানিগা লেংগোমনা চংমিন্নরকখি। ওসাই মথৈ নাম্বক্তা থম্মোই চাক্লবা দৃশ্য অহুবু য়েংজরক্লীবা প্রকাসনা শাবী শানৌ অনিহনা লেংগোমনা অসুম চংমিন্নখিবহ য়েংলুরগা উথোঙ মরুমদশী ইথৌ লাংনা লৈহৌখি।

× × ■ × ■

ওসাই অযুক অঙনবদশী অনন্দগা কোইবা চংমিন্নকখিবা গিরিস্নাহ হোবে হোবে মালিকাশী শজাইহ ওয়কই। মথাইহ ওাঙলপ শাওরংনবা লাক্লিবা গিরিনা সুনন্দানা মাজোলদা লেপ্নীবা শরুমহ উরুবদা লৈচিলনা থুমজলুরবা থাজনা থংঙান ওাম্হোরকপওম গিরিশী মাইথোংহ মঙাল লাকখি।

সুনন্দা— তামো গিরি, কম্বিনৌ ইফিং ফিদো লাক্লিবদি।

গিরি— কম্বিস্থ তৌদে, অ— মীপোং থক্সা চিকপসিদা মতম বাম্বী অমতং শাম্বলিংহুনা।

সুনন্দা— ঐমা, ঐগদি কম্বি বাম্বী শাগদৌখ্রবা ?

গিরি— পাখংগা লৈশাবীগা বাম্বী শাম্ববদু, কম্বিগীদি ওইগনি।

সুনন্দা— তামো গিরিসি হন্দক মরকসে মথং অমা তৌশিল্লকইংকো।

গিরি— অ— সুনন্দা বাক্লনি কাক্লসিকো ?

সুনন্দা— ঐবুদি ম্রাম্না কানিংঙৌ অহুবু তামোনা থারোইনে।

মতাং অতুমক্তদা মমা ইবেম্মা মালিকানা সুনন্দবু কৌর কৌরহুনা চংশিল্লকই। গিরিম্নানা ইচাও চাওনা মাঙোল অহুদা লেপ্পমবহ উকবদা মচা ইবুংঙো অনন্দহু লাক্লমলগনি খন্না সুংতাইজে।

মালিকা— ম্না ইবুংঙো, নঙগী মক্লপকা লাকমিন্নব্রা ?

গিরি— ইমা, ঐ থোইদৌসি শাওনিংমনখিহুনা পাউ অমা তম্নগে হায়হুনা পরপ পরপ লাক্লিবনি।

মালিকা— কম্বি পাওনোনে, নঙগী মকপতুবু খুদোংথিবগা থোক্লব্রা হায়খি।

গিরি— ঐ অমুক্তা তমজরকথিগে ইমা, কুসাই অমুকগী মাগা ঐগা চংখিমায়েদনা চংমিন্নরিবা মতৌ কচুম ঐনা মাবু হৌবা শাহনগা মনা উমকনিংলিরী লৈশাবী অহু উমলবনীহক্তনি।

মালিকা— হুগীমচাহুবু কনানোনে সনা লওবো ?

গিরি— জর্জ গী মচা সুগীনি হায়, মম্মিংনা কুম্র কা— বিন্নাপানি।

[illegible]— ও ! [illegible] ঐখোয়্গী লাম্বা [illegible], [illegible]
    [illegible] ।

মালিকা— ইবাইহৈপেম্মা, ঐদি মাওবা তাম্মোনা, কমৈ তৌনি
    ম্না ইবুংঙো ?

গিরি— ইমা, ঐনা হাৎপাক হায়রকপুকো থওশামদবা পাম্না মচৌ
    অমতদি য়েংখিসি ।

মালিকা— খিক নেঙ্গা মানা থাজ লাখগে মীংলিবা, ঐদি
    কমদৌনি, অমবিকাবু মানীনমক ইমৌ [illegible] [illegible]
    মাখোপকা চাওন শিংনছুনা লৈদি, মশা মশাগী [illegible]
    নিংনছুনা মতম থম্বংদি চাইনখিসি চাম্ছনা [illegible] ।
    অহুব পুম্নমক অসি মানা থুগাইনবা থৌম্লাংলবা হে ঈশ্বর
    ঐবু [illegible] [illegible] ।

গিরি— ইম্ফালদা হেক চংহল্লেগা লোয়রেদো, [illegible] [illegible]
    মুপা কম্না অমগু ইম্ফালছদা লৈম্লিখনি, [illegible] [illegible] মা
    চৈ চাখদি লাইরছনা মখথাই কাওবা [illegible] ।

মালিকা— মথাই মাও মাওনবদি লাইরছনা, ঐদি পুনশি [illegible]
    তাম্লিবনিনে, ম্না ইবুংঙো বা অসে ভাদা মাখোপ-থোরদগা
    থওহন লাক্‌হল্লা ম্নাবা [illegible] ।

[illegible]— [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] ঐনা [illegible]
    [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

মালিকা— [illegible] [illegible], মওগু মানা পাম্নবা [illegible] [illegible], [illegible]
    [illegible] মীনি ।

পিরি— করিনোবে ইমা, ওহোকপানিকো ইসত্যা, এচৌপা
অমুক ওনবীদুনা তাইশনকদৌরিদনা, হয় ঐ চৎলৌরগে।

অদুবা পিরিদু পরপ-পরপ চৎখি। থ্রমশাদি মতৌহৃদা মোমেনকদৌউ, মমা ইবেম্বদি মথ্যাইদু পেনমন্থহুবা চেৎ চেৎ তাওবা লেপত্রি।

পিরিস্থাহ মমা মপা লৈত্রবা মতুংদা ইস্কালদা মবে মখোল অমরি মথুঙানচিংবগা লৈমিমবা মাঙহুনা মুম ইখোল অোসোকনমলগা পুরুং অদুদা মমুম পাঙৌবী মচে পুনিমাপী মুমদা থুইখংহুবা লৈরিবনি। এহাক লমচত্তা থবা কা চেরো, মু থকই, ক্ঃাকম্ নাউ, অদুমক হেলোকপদি ওইত্রি। মদুমক মচে পুনিমানা চোংকপিরা তাক শেনবনি। অনশপা পিরিগা মক মতকা লোইনৈ অহপা অনশানা হায়বা অয়াবহু মানা থাদি, মদুমক মুনশা থকসী থাখা অমননি। ডগেংনমক পিরিনা মুনশানু থবাইমক্‌ম মুংশি, অদুগা মুনশানম্ন পিরিবু ইমুং মুংশি-খিবদি নবে।

তরুকশুবা পন্থপ

অনন্দ— হয়েংদি, হংচিং চৎনবগী শেম শাবা য়ারে। মশেম অমুক্তা ওমা পাইগদবনিনা ইক্কালদা অহিং অমদি লেকপা তারে।

মাধোপ— কয়ে, ঐমু নওগীদমক্তা শাক্তোল পুজোন লোয়শন্দুনা থম্মবনি। অদু নওগী থুড়া খবলোখোয়, তাচৌখোয় ননে নোয়োন্নখোয়না মঙ্কেং থরা থরা পিবিগনি হায়বা পৈশা হুংশাহুদি কমদৌনয়ে।

অনন্দ— মুমদা লাক্কনা থিল্লররে মরুপ মপাং কয়া অমমম্ নত্তেং পিবিনি হায়রনি চৎপগী থক্স. মিং চম্মবা অমদি লাইরিক লাইশু লৈননবা কাওবদি কোম্রবা য়ারে।

মাথোপ— করে অহু মতাইরে। মতুং তাবগীদি থুড়া লৈদ্রি. অর্জ মেথিলানম্ নংগীদমক থা থাগী পৈশা থাবদম্ তেং- থাংগনি নঙগী করিমত্তা য়ানিডাই লৈতে। নঙনা তৌথিবা উপকার অহু ঐনা কৈদৌঙ্গুংদম্ অয়েম্বদা মাঙহল্লোই।

বারি অহু ইমুংদগী তারম্বি অমবিকাহু থাবলঙম্না ইংলবা মাইথোংহুগা লোয়ননা বারি শাম্রবা অহুগী শরুক য়ানম্রবা থোয়কই।

অমবিকা— হংচিংতগী শোয়দনা চৎপদা তারেনে তামো?

অনন্দ— হোয়. হংচিং গুমিদাংবাই মুমদগী থোঙশানথগদবনি। ইন্ফালদা অহিং অহুমা লেমগা অয়ুক ওয়া ম্রেন্দা পাইথিং- গদবনি। ঐনা চৎথবা কান্দা ইথাপা ইচলগবু নঙমা শেম্মমগদবনি।

অমবিকা—নয়াথংহুত্তা ওাকচবা ওমজনবা ঈশ্বরদা পার্থনা তৌজগে।

অনন্দ— চয়েং ঐনা থোয়কপদদি করিদি লৈয়কউংগে?

অমবিকা—অমবিকাগীদমক্তদি করিস্থ অপাম্বা লৈজদে. অমবিকাদি কনাগুম্বা অমগী মঙলগীদমক্তা ঈশ্বরদা পার্থনা তৌজবা অসিঙনি।

অহুমা থাবলঙম্রবী মাইথোং অহু হাম্রপ মকপম্রা পিরাং লোৎনা লৈথোকখিবা অহু অনন্দনা উথি. অহুমক মহাকী

করিদি উপাই লৈদ্রি। হৌজিক্তি মিরাইবিরবী অচুম্বীনমক হৌরক্লিবা ইথক অহুবু তপনা পুক্রিংচুনা কাথকরগা থুড়া মাথে'ঙ্গা 'চংলগে' হায়না থিদাই পিরক্লগা চংখি। অনম্দনা চংখিবগা অমবিতাচু মাগী কমুংদা উপশন্দুনা নিঙমদা পিরাংশিং অদবু থাযজনবা হোৎনখৈ। মপু ক্লংদা থজকই— ইম্মুংগী লৈতেং ওই-নবদি পল্লাগী লৈরাংতনি পাংথি কোমথিদা শাংপা লৈনা কনা করহুমম্ব ইম্মুংগী লৈতেং ওইবা য়ারোই।

সুমিং অহুমগী পুমিদাংবাই অহুমক্তি। তারমদাই পুমিংকী মংশেল্লা থৈবদা মীপুম খুদিংমক্কী মাইথোং তাংলৈননা নীংথিজরি। 'সুম্বা মতম অসিমক্তদা নিংথিজরবা কুচুনা লৈতেংবি নিরুপমানা কজবদো সনাথক্কা তক্সানা ফুদোংবগুম কজবগী মপা লৈখিদে। তোর্ব্বানগী নাম্বিবা মলয়ানা চুমলকপদা চোইজাইনবা শয়াংনা নোম নোম জগোই শার্রি। মতুত্তবু কা হেন্না কয়কচবা প্রসেন-জিৎনা তোব্বানগী লম্বীচুদা নিরুপমাবু তাইরক্লনা লৈরম্মী। প্রসেনজিৎ মহৌশাদগী হৌনা নিরুপমাবু পামজনা সুমজবা মুপানি। নিরুপমা চিদানন্দগা' সুংশিনরি হায়বাসম্ব মহাক থওইং ময়ম অচুম্বীনমক্তা চিদাগা মহাক কয়ারক নিঙাই শংদানথবনি। মহাক কা হেন্না মরিংজেল লৈবা মীওই অমদি নত্তে, অচুবু মহাকী খুৎচাবী খোংবু মাওরবদি য়ারা ইচং থৌনা মরিংজেল ম্লানবা শাবা মুপানি। মহাক্লা হৌজিক্তি তাত্রা অবা কংলচুনা নিরুপমাবু থংলগা বারি হৌরি। ফিতম অচু তাইগর চুইগা লোয়ননা লাপলপ লাক্লিবা চিদানন্দনা উথি। মীশিং নাশিংবা চিদানা শাররিবা বারি অচুমক লোন্না তানিংবদগী নাকলগী উজাও অহুগী মরুমদা লুমচুনা অবসথ্যা অচুবু য়েংলি।

প্রসেনজিৎ— নিরুপমা, হায়রক্তে মতিক চাওথোকপন্থ ভৌরদুদা।

নিরুপমা— কায়দে তামো, এনা হায়া হায়রবহুনি ঐদি মী লৈখ্রে, অতোপ্পা অমা মতম চাম্বিভদা য়েংবিহৌরো।

প্রসেনজিৎ— অতোপ্পা অমা য়েংবগী দরকার লৈত্তবনা নত্তোন্দা হায়রিবনিনে। কা হেন্না চাওখোকন্থ, প্রসেনজিৎনা করি তৌবা ঙমগে হায়বন্থ নঙনা খল্লবা কৈ।

নিরুপমা— হোয় খঙকে, অদুগা অমনা, কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বী অমদা লুংশিজরুপদা, কনাগুম্বীদুনা কনাগুম্বহুবু তাখিন্নরুবদি লুপাদুনা অতোপ্পা অমমূক য়েংবদি লুপাদুগী মথৌনি।

প্রসেনজিৎ—কায়দেদা পেন্মা, শক্তি অমোমনা নোংশাগী মমাংদা কয়াম কুইনা খোঙাবা ঙমগদগে, নোংশাগুম্বা প্রসেনজিৎকী মমাংদা শক্তি অমোমগুম্বা নঙগী পুক্তিবু খোনাকথা কনানা কনবা ঙমগদগে।

বাঙাং অদুমকী মতাং অদু চপ চানা চিদামন্দু উত্রাও অদুগী মরুমদগী ভাইপন্ন চুইগা লোয়নবা থোরকই।

চিদা— ঙমগদবা মীদা মথৌনা কবদুনা মন্নিংখেল পানবগী নত্তো নত্তে। শক্তি অমোমবু চয়াযননা ভাইরিবা নোংশা অদু শদানবগী খুংতা মথবাই মাঙবা ওইখোক্তবা নত্তে।

প্রসেনজিৎ— ওঃ অদোম শদানবা অদু ওইরে। অদোম্না মতাং চানা থোরকপসি য়াম্না করে। প্রসেনজিৎ কা হেন্না কত্তবা মীদি নত্তে। মতাং অসিদন্থ শাওনবা পামদে অদুগা

করিগুম্বা মতাং অমদা প্রসেনজিৎনা শাওয়কপদগী চিদানন্দনা করি ওইবা য়াবগে হায়বসিমদি নশানা শাজোল তৌজৌ।

চিদা— ভিমনা পকরগী মতু নাম্বা কাওবা থদংপা ঙমদবগুম প্রসেনজিৎকুম্বগী শক্তিনা চিদানন্দগী তুবুম নাম্বা শোকপদি ওইথোক্কবা বাকমনি। নচিন্দা নথৌনা কবহুনা কান্নরাই ঘটনা থোকত্রিঙৈসিদা চংহৌবনা নঙগী অফবা ওইগনি।

প্রসেনজিৎ— চিদানন্দ!

চিদা— ঐনা চংগ্রো হায়রিবসিনি।

প্রসেনজিৎতু চিদাবু থানা য়েংলমলগা উপাই লৈতনা খোং থাংখি। তাইগর হুইনা চংখ্রিবা প্রসেনজিৎপু তাম্না তামহুনা খোংহুনা চিরুদবগী তৌখি। মতাং অহুদা চিদানা সু-সু হায়হুনা তাইগর পুক্লিং থৌগৎপা অহুদগী প্রসেনজিৎতু থম্মোই চাকনা চেন্নবদা তাখি। মতৌ অহুমক্তা চিদানন্দা অমদি নিরুপমাহু মথবাই তানা নোকহনখি। মতুংদা তোর্ব্বানগী অচিকপা অহুদা পাখং লৈখা অনিহুনা উকৈথকী পোম্বী চেক্লাগুম লৈকোনগী লৈরাং থোইবুগুম চিরোক্লনা কেন্নবগী তাঙা কংখি, অহুমকপু পুমমক অহুবু উরিবা তাইগর হুইদি ইকাইরহুনা মথোং থাদংতুনা মমাই থুবা লাক্লখি।

তরানিথোইশুবা পন্থপ

হুমিদাংবাইনি। 'নোংচুপ অতিয়াদা ঙাঙ্‌্‌াম্বা মঙালগা লোয়ননা কোবৌহনবনা হায়থরক্লি। অরাপ্পদা ঙাম্না সন্ধ্যা অরাত্তিগীদমক মিল্লকপা কাংসিগী থোঙ্গেলনা শেম্বীবা মপুবু মীয়াম্না নিংশিংচল্লি। ঘনশেননহাশিংনা অর ভিতি লাওরহনা যনলুপশিংগা মমুমগীদমক হায়গৎনম্লক্লি। ঙাম্না চিংয়া তমম্নাদা উচেক বায়াশিংনা মহুম মাঙৈক পাংনরকপহু থোইদোক্লা পুক্লিং হুনিংঙাইনি। মতম অহু অনন্দনা মাগী মুংশিজরবা মমা মচন অমদি মনাওবু থাদোক্রম্বতা নত্তনা মুংশিজরবা মথুজং অহুবু থাদোক্তুনা চৎননবা শেম শারি। মচল ইবেম্মা সুনন্দনা মবুংগী মঙ্গলগীদমক ধুপ দিপ থাম্বহুনা শাজোন লোইরে। থুজং অহুগী অনন্দবু মুংশিজবা লৈকাই অহুগী চিন্দোং য়াইতোংবা কয়া অমহু অমন্দগী শঙ্গাই অহুদা তিল্লরি। কয়া অমনা অনন্দবু অশির্ব্বাদ পিবগা লোয়ননা শেলগী মতেং কয়া পীবিহুনা মাগী মথৌদা মপুক্লিং চংননবা পাওতাক পিনরি। অনন্দহু ঙাইম্নিবা দেখিলাম জর্জ্জনা থুজংগী মীওইশিং অহুগী চম্লবা মতৌ অমদি ব্যবহার অহুদা কয়ামুক পেঙথি। অহন মাথোপন্থ পুম্নাং লাংনা অনন্দগী যাত্রাগীদমক শেম শারি। ভশেংনমক অনন্দনা মতম থরদং মম অহু থাদোক্তুনা চৎকদৌবগী কাইনরমদাইগী দৃশ্যা অহু কুম্মৈ

অমগী মতৌশুমখি। পুগদবা পোং চৈ পুম্মক গাভীদা মরূপ মপাংশিংনা হাপকংখি। মতম অহুদা অনন্দনা মনাও চিদানন্দ' য়োমদা শুনশিল্লকখি।

অনন্দ—চিদানন্দ, ইয়াম্বা চংনবা তৌরগে, ঐনা চায়রমগদবদি নঙনা ইমুং অসিগী মুপা অমা হায়বত্তু ওইহৌরবনিনা ইমুং অসিগী মুপা অমগী ভার পুম্মক্কো নঙোন্দা ত্তারবনি। নঙনা ইমুং অসিবু নিংথিন' ঙাক শেল্লম্মু। ইমা অমসুং ইচলবু মথুক নাহনগনু, লৈকাইগী ইমা ইদোল খুড মাম্মাবু মশক খঙনা চংলম্মুকো।

চিদা— কোয় তামো, তামোনা হায়ল্লিবা পুম্মক অহু ঙাকনা ননাও চংচগনি অহু ননাওগী ওস্তোমিটিক ঘড়ি অমত্তংদি কাওথোকপিগন্নুকো।

অনন্দ— ইয়াম্বনা নঙগী ঘড়ি থোয়মদা লৈরকনি। ইয়াম্বনা হুন্নকপা মতমদা তেক্কা কাইদনত্তা লৈরম্মু।

হৌজিক্কি অনন্দনা শুং-শুং কল্লীবা মচল ইবেম্মা সুনন্দগী মনাক্তা চংশিল্লকই।

অনন্দ— ইবুংগী ইবেম্মা সুনন্দ, ইবুং চংলগে, ইবুংনা হয়েং হুন্নকপদা ইচলনা মাঙোলগী উথোক তেন্দা ঙাক্তনা লৈরম্ববু ইবুংনা পামজৈ। ইবুং নঙগীদমক কি'য়োল লৈরকনি, নঙসু মহৌশাগুম উথোক তেন্দা ঙাহনা ইবুংবু ঙাইরম্মুকো।

অনন্দহু মচলনা হিক হিক কপতুনা 'তামো নাইতোম প্যোকপী নচলবু কাওবিগনুকো' হায়না শীরাংলক্তগী শোল্লক্লিবা

অহুমক্তা মপুঙ্কি দা কা হেন্না লুংশিবা কাওরকতুনা পিন্নাং শিন্নগে তৌরকখি। মতুংদা অহল মাধাপপু থুকখি। মাধোপনহ অনন্দদা মঙ্গলগী আশির্ব্বাদ পিখ্রিখি।

অনন্দ—খুড়া মাধোপ, ইপান্নককুম্না খুড়ানা ঐখোয়বু ওক্রি কাওবদা তাকপি শেনবিখ্রিবনি। ভসিদি এচানা চংখবদা, ঐগী লুংশিজরবা ইমা অমদি চমজরবি ইচল নোয়রবনা পাংজরক্লা ইবাওবু চেংনা নাওকোনবিরম্ম।

মাধোপ— করিগী অহুক নখখোইদু শেংন্নিমগোম্মে অনন্দ ?
অকবা মঙ্গলগীদমক মতম থম্না কাইনবতনি অহুক হকচন্না খঙহনা অবাবা পোংলুম পুবদি কত্তেদনা। সে, মহুগী মহুম্মা নত্তনা নিংক্কুম্রিবা খবক অহুমতংদি মমদু মহুগে হায়না খন্দুনা চংকদবনি।

অনন্দ— চুম্মী খুড়া, খুড়াখোয় খাইগী মপান্না শোয়দনা ঐহি অনিংবা থুংজরগনি। —অ· অমবিকা ঐ চংলুখিগেকো।

অমুবিকাহ পিন্নাং পিজেইননা লুলুকননা 'তামো' হায়হুনা লেপতুনা লৈখি। হৌজিক্তি অনন্দনা মন্না ইকেম্না মালিকাগী মখোং শেল্লকা থুকমহন্না মমাগী লুংশিবাদ খ্রিমুকখি। মম্না ইঙকহন্না পিন্নাং পিয়োইননা মচাগী কোকথক্কা মখুংনা রাঙমিখি।

মালিকা—ইমাগী ইবুংঙো অনন্দ, সংসারগী খবরদা থাইদনীমক ওইবা থেমদি মমাগীনি, মমম অহনা মিকুপ খুদিং ইমাবু ... কাওগদ্রুকো ... ইমাবু নত্তনা, কাওরবতদা নত্তী অনিংবা পুমহ শোয়দনা ... ঙাকপদবনি। ... অরোইরদা। ইমচ।

হায়রগদবদি, নঙনা নমুম নথুদং অমদি নচিন ননাওবু থাদোক্নুবা চংলিবা অসি নঙগী নহৈ অচু মপুং ফানা তম্মবা অমদি মচুমী মহৈ চায়নবনি হায়বসে কাওরোইদবনি ।

অনন্দ— ইথা ইবেম্মা। ইমাগী থাথং পুখা ওকপা ওমজগে।

ঘনশ্যাম পুম্নমক্কী মকথদা ওসিদি তোন্নবনা মতম থম্নদংগী ওইনা বিদাই নিজগে।

অঙুবা মীয়াম্বু তুনা থুরমই। মীয়ামচুগী মরক্তগী অহল লমন কয়া অমনা মীগী ময়মদা চংগদা শিংনা লৈননবা অমদি মথৌদা পুক্লিং চংননবা পাওতাক কয়া পীরিবি। ঘনশ্যাম, বিপিন অমুশায়া অমদি তোচৌনচি'বনা চংলোকো হায়তুনা বিদাই পীরিয়। অনন্দনা পুম্নমকপু লৈনা লৈনা ম্নেংলমলগা থোঙ্গালদা থাম্নিবা কায় অচুদা কাবংথি।

ওসি অহিংদি জর্জ্জ বেবিলানগীদা লেপ্লগা হয়েং অমুক অতন-থদা অনন্দ থোংশানগ্রগদবনি। মমম অসিদগী জর্জ্জগী মবেম্মা ময়নিম্মা অনন্দবু ইনথাং অহাওবা পিজননবা হোৎনই। ইমুং অচুদা চুমিদাং অদু পুম্নাং লাংনা লেনথিবনা অনন্দনা ময়ুমগী থাথল কনা ফজনা কাওথি।

\+ \+ \+ \+

অহিংনি। শরৎ পুর্ণিমানি। মকম পুম্নমক উন-থাইমুক চিকপ্রে। বেবিলানগী শরাই অচুগী নাকল অচুদা লৈপ্লিবা নীং-থিজরবা লৈকোল অচুদা হয়েং চংগ্রগদবা অনন্দদা মকশেনবী বিনাপানিনা মুংশি থাকংলি। ম্নেসনগী মতৌঙ্গমবা ককলব।

তিংবৌগী নাপীবক অহূদা নূনুক্না কাঠীবি বিনাগী থকমপ্না অমম্বহ উমহংবি। থাবলদা শাংদি থাবলগী নৈরাংনা শাবি শানৌ অনিহুগী দৃশ্যহু উকবদা মালং শাহূবদা মোয়া নোয়া মোমোয়রক। চিক্লবা অহিংগী মতম অহূদা থংহৌদনা চেক্লানা চেক-চেক থোং-লক্লিবহূ শাবি শানৌ অনিহুগী মুংশি দৃশ্যহুবু য়েংশিংহুনা চেক্লানা পোম্বীবু হৌদোকখিবনি। তসাইমধৈ হায়না তম্না শাবকরবা নাসিক পৌম্বিশিংনা বিনাগী নিততবা মিংলুগী শিয়াংশিং অহূ উকবদা অবাবা শক্তম উবওম্না লোংদনা লেপ্লহুনা লৈনখি।

বিনা— লমদম তাম্না চংশ্রবস্থ, মরাইবক থিরবী হুকা অমদি মুংশি চৈনা থাংনা লৈহৌরি হায়বশিমতংদি কাউবিগদ্রকো চাম্নরা,।

অনন্দ— থম্মোয়দা ময়েক লানা হকশ্রবা মুংশি প্রতিমা অসিবু কয়া কাওরগদগে চানবি। প্রতিমা অসিবু কাওবা তায়-বদি থরাইনা হকচাংবু কাওবহুগা শাংথক ওইবা তাবনি।

অসুম্না অনন্দনা দূলুক্নবিবি বিনাগী মাইথোং অহূবু মথুংতুনা উনথংচরগা থাক মাগী করবা মাইথোংগা বিনাগী নিংখিত্রবী তক্লরবী মাইথোংহুগা মথম্মোইনা চাংদমনরে। নিংখিত্রবা মাইথোং অহূদা তরং তরংনা মনিওম্না তাক্লিবা মিংলুগী শিয়াংশিং অহূবু অনন্দনা তপা তপা তৈথোকখি। হকাই মুংশি য়ামরবি বিমানা হুদোইরপ মমাইহূ লুকখি।

বিনা— থেজোলি লৈশাবিশিংগি য়াম্না কৈজ হায়রৈ, হবেং থেজোলদা লৈপ্রবা মতুংদা সর্গগী থোনাকাওবী করা অহূগী

শক্তমদা শুমহৎখিহুনা বিনাবু মিয়াইবিপ্রবুদি লাইরক থৌবি বিনাদি মাংজরেদকো।

অনল—মচাই নৌংমিচী নহা-নৈনম্ভ, অনন্দ শৌরানবদি মুখোম পুরামক অচম্পাম্বা, অভিরাশী শুরং শুরং, কুকেং কুকেং চারিবা থরাক কিশিবগুমা চৌপনি, মচুগী থগাইগী বিনাগ মুদি নাইতোম চোংথিব শারিবা থকওমা লেইগনি।

বিনা—পামুবু নওবী আশাদা হিংজবিবো বিনাবু মহোক অসিবদী নতনা লাইথননুলিমজকু থাদোকপিগনু।

অদুগা বিনানা অনলগী মইকেপদা মোনথাংনা হিপথখি। হৌজিক্তি অনি অতুগী থকশাই অনিবা মগ'গী অমরবতিগী লৈকোল্দা লৈবগুন্থ নিংনখি। নিংথিজরবা অমরবতি লৈকোলগী লৈগী লৈমায়া হিলমিমবগুম চেরাই। লৈগী লোং চুরাম। অমৈদা থুপ খিপকী লৈচীলনা শাবি শানৌ অনিগুগী শক্তম অহু মখি শাগিহনখি।

অদ্ম্যম্মক হৌজিক কাওবদা লৈবিলায়া অনল অমমুং বিনা মখি লৈনৈ হায়বসে থওজিবনি। মরম অসিদগী অনলবু অর্জুনা মহৌশাগুম মুনা চায়া তৌখিবনি। চরিগুম্বা অর্জুনা কিতম অসি, শগনরকপা তাবদি করিবু ওইরববা! অওকপা মরানি—হংশিবা তুংদা থোক্রমগদবা অতা অনাগী থৌদোক পুম্বা উক্লদনা অনল অমম্নং বিনাপানিংনি মুংশি পল্লং গৌনবা চেহমিমবি।

কোয়েইহনবনা নোংপোক অছিয়াদা চিং লেয়া হায়দোজবক-খিবনা অনল কলকত্তাগীদমক থোং শানবা লেব শাবো। পামুবা

মাগী যাত্রাশিংমক্তা থিনা লেবীরা ধূপ থিপ থারদুনা মনুশিংনা সুর্য পূজা কৎচরে। অনন্দনা মথা ইবেম্মা রমনিনী থিরাই মিরগা ধূপ থীপকী লৈচীল অদুদগী কায় তঙ্খী। থোদাংদগী নাকতি অমদা প্রকাশ অমসুং সুসান্তনা, অনন্দবু থিদাই পিনবা তাইরমখি। রামুনা শুংকেশনচিংবদু কায় মথুং অদুদা হাপচিল্লি।

অনন্দ— রামু কাকা, নচা মঙল ওইরকেকো।

রামু— মঙল ওইবু, মঙল ওইবু। চিঠিকা থারকউকো।

অনন্দ— ভাই সুসান্ত, থম্মোই লৈকোম্না কুপাইনা শাংডবী লৈরাং অদু তেক্‌-কাইদনবা নওবা থম্না তাক শেনবিরম্মুকো।

সুসান্ত— মতুশিংমক্তা মুংশা থিকপগী মরুপ, ঐ লৈবি, ভাইগী লৈরাং অদু থদংপতি লায়রদুনা মতু নাম্না কাওবা থোক-হনলোই।

ওমা প্রকাশতু সুসান্তগী মং কারবা হাইদে অদুনা মথম্মোই থোকপঙব তৌখি। অদুমকপু থম্মোইসুংদা হুংতাইতবা হাবল অদু লোংশিজনা থোথোরক্লে।

প্রকাশ— ভাই, অদোমগী অদি অদু মায় পাকবা ঐথোরদু ঈশ্বরবু থুরমজগে।

অনন্দ— থাগৎচরি প্রকাশ বাবু, পুন্সিচুম্না কাইনওমসি, অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হিংমিরসি। থাই—

হৌজিক্তি অনন্দ থুং হাররংহারবা জর্জনা টাঙ্গিং পাই-রিবা কায় অদুদা কাথংখি। কায় মথুং অদুদা অনন্দত্তু থিদোকপা

[illegible] হাজনা কল্লিবা বিনা অমসুং কুকুগা অনপগা বেক সিত অহুনা পুজা কদ্দিরে। মিস্থা বনি অহুনা মখোল খোঙ্কথা মখোল [illegible] লৌমৈবিবহ অর্জুন অমখি কুকুনা খণ্ডিবে।

কাম অহু মগুম চানা এমোমৌখমদা থুংলয়ে। কামদগী কুবৰকগী পূৰ্বমৈন পাণ্ডবমৈরবা মতুংদা অর্জুনদা অশিৰ্ব্বাদ লৌয়ে। অর্জুননা অনপনা হয়েং মিয়মদা লৈথগা কৰ্ব্বা শব তৌদনবা অমসুং [illegible] লমচং চিংনা মুত্ত মাংহন্দনবা পাণ্ডাক কৰা [illegible]। [illegible] মথাখা খোঙ্গনা মনিপুরী [illegible] কত্তবা [illegible], [illegible] [illegible] হৈরকুনা মনিপুরদা থোঙকুগা ওঙ্কবা লমচংলনি। অমমোয়মদা শিঙ্কি অমাগী শিংবা ওঙ্গিবা কুরা অহুগী লাংদগী ন্যাখোহনবা চেকশিনবা তাবনি। মরম অসিমতগী অর্জুননা অনপদু চেকুশিন্নরা, হায় বিবনি। চংলমনাইহনা অর্জুনগী পাউতাক কয়াছু লৌরবা [illegible] অতাং কুকুনগী থিংবাই নিংগা বিনাদা চংলগে। মামখা হৌরকগী অঙম থেন তৌংখি। থেন অহুনা তপা মপা পাইখ মবদা অর্জুন খেবিদান বিনাপাদি অমদি কুকুনা মথুং অহু হাউ-হাইহনা লেপখৌরি।

তরাহুমথোইশুবা পক্ষপ

মনিপুর সেক্রেল জেলনি। জেল অসু চেকশিন্নবা মমাংগী গেং অসু লাওনা তাংখোইরকপগী থৌরিসনাসু কুপাঙবা য়েংলগা খোয়রকই। তুং মাং অমুক অনিরক হকা হকা য়েংলমলগা খোং-থাংচু কনপ লাকখি। মবুক্লিংদা ইকাইবা হকোইবা অমদি ভবুকপা লৈতনা মহৌশা মহৌশাগুম অসুমক থুদং য়ৌগদবা কন ভোংথংখি। মাগী মপুক্লিং অচুদা য়ায়া খোইরাংলিবগী থুনপনা মাসু মাখোইয়ম্লগন্না অসিত্তনি। থুনপগী তুংদি অপাত্তনা মখম্লোই অসু খনখিবা সিন্নিসমানা মহাক থেলনগী খোয়রকপগী হায়রখসি খপনা মীনা কৌবা হংবা খোইনা তাদনা হেয়া লাপলা কাবা [illegible]রি। কদ্দগী হেক থুমথবগা মগী [illegible] অনিরক [illegible] [illegible] [illegible] থাক্লিবা মতেংগী [illegible] [illegible] [illegible] মাখিকপগী লাইয় [illegible] [illegible] [illegible]। ওকাই মখৈ থাক্লগী ইথক [illegible] তুংশিবা য়াপদা ইশৈ ওংলগা পুনপগু সিন্নিসমাগনা [illegible] থাং-শিনকপা, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ইরোই [illegible] [illegible] [illegible] ফুবা চপ চপ [illegible] [illegible]।

সিন্নিসবা— নখোয় তাখো চংবে হায়রনা থুনপ ?

থুনপসু খিনিন্নবাগা মাগ [illegible] [illegible] মখোয়, য়াম্না [illegible] দবা অসু খুঙ্গং তৌদনা তাপদনা লিখি।

গিরিসনা— করিনো, গিরিসনাবু শক থওজবো ? অনৌবী হেক খোরজপগা বুখনা কাওবা চক্ষেনা নখোয় ইমুংগী মীওইশিংতবু উৎনিংঙনা লাক্লি অদুগা নঙনা খো না শাক্লিবস্তু নত চাওরবনাংগনো ।

সুনন্দ— ঐখোয় তাবো লৈক্রে থওনবদি অতোম্মা কনা উরনবা লৈক্রে থওনবা নত্রা ? বুখনা ওক্লিতৈনা চংহৌবনা অকবা ওইগনি ।

গিরিসনা— নখোয় তাবো লৈত্রবসু নখোয় লৈরিবসিদি, মসি করিনো অমা তৌরমলেনেহে ।

সুনন্দ— ঐখোয়বুদি কনি মরকায় লৈহনা উনমিংলিবা, কারণে তাবো কাক্না কৈনৌতৈনহ সুংশি লৈশতে হায়বা কাওবীগনু ।

গিরিসনা— সুনন্দ নঙগী অপাদা হিংলৌবা ঐগী পুন্সি অসিবু নঙনা যিরাইবা তৌগনু । মহৌশাগম সুংশি যিনোক্না ঐবু থম্মোইবু ইংহনু । ঐগী পুন্সিদা দাগ কয়া লৈরবহ নঙগী অপাওনা পুরমক্তো কোকহনগে থন্নী ।

সুনন্দ— না অহু কাক অমধাঁ চংবে । লিনবু শজোম পিথক-লুরগা কারবা লৈবা হৌনদে । মহ পুখা মী, ইমুং অসিদা চাহরীংদে । মারবদি লৈকাই কনা উক্লিতৈসিদা লেং-খোকপীরো ।

গিরিসনা— সুনন্দ ওসি নঙনা তৌরিবা মতৌ অসিবু অখোংজ্রা ?

সুনন্দ — পা যনগুয়া তাম্র কাওবদা নমাই পাম্বা মতৌহু তৌ-
বিরগনু, অহোম শামক্তি নত্তে মীনি, মী অমদা অতোম্না
মী অমনা উংনক্লিবা মওং অহূনা মী অহূনা কয়ি পাম্রী
নত্রগা কয়ি থ'ম্র হায়বহু থঙকম থোকই।

গিরিসনাবু মতম অমদা সুনন্দনা হু'শিয়মবহু গিরিবী হেন-গংনকথিবা নমচং অমদি মী কাওবা চাংপা ওমনকপা মতৌ অহূনা সুনন্দনা গিরিবু হিংচা য়াইতম্বমকসি ভুকচনা থনখি। মহূমক নোংমা মখা ইবেম্মন: গিরিবু পুলিসনা লমজাওবা হাত কোয়া চন্দ্রনা পুখি হায়না তম্বা ভুমিং অহূমক্তগী থনথবা বাকখি। মরম অসিদগী সুনন্দনা গিরিবু তাথিবা মতৌ অহূমক ওদি উং-লিখনি।

মখা ইবেম্মা মালিকাদি গিরিবু মহৌশাদগী হৌনা মাদে। অহূমকপু মচা ইবুংঙো অনন্দগা থম্না তোংনা তিমবা অহূদা বা অকম্বা তাওবা ওথখিদবনি। অহূবু মাগী মী হাংদুবগী থৌদোক অহূদগীদি গিরিবু অমুক হন্না মথোয়গী ইমুংদা চংহন্নোই থনখিবনি। কা হেন্নবা মতৌ অসিমক মালিকাগী কিয়েপ ওইখিবগী মরমদি মরুওইনা কক্রবা অহূনা সুনন্দদা থম্নিবা মিংয়েংমক অহূননি। অহূওয়বী মখা ইবেম্মা মালিকাচ তাজা অহূমক্তদা তাইগর হুইগা লোয়ননা মাগী শজাইহুগী থোজাল অহূদা থুংলরে। লাপলপা সুনন্দনা গিরিদা চাও শক্লিবা মতৌ অহূ উবদা কয়িগুবা অমদু কক্রবা অসিগা তৌনরম্বা তায়ে থরফুনা শাওনিংনা চংশিনকখি। অমরোমদা মীহাৎপনি হায়দ্রনা মীয়াম্না কি ভুকংচনরগদবা গিরিগা তোংনা তিমবা অসি উরবদি মীয়ামগী মিংয়েংদো কজারোই হায়বা অমম্ন মালিকানা থনখি।

মালিকা— ইবুংগোসনা নত খোরল্লখোইরে। করাম কুইরে।

পিরিসনা— ঙসি হৌজিকমক খোল্লকপদা ভাউবি ইমা। ইমাগী- খল্লিং উবলিংদুনা চত্তরকপনি, য়ুমদা কাওবা চংলুত্রি।

মালিকা— নঙদি লম্পিংগী মতুংদা ত্তিন নৈবা হায়বদু ভারেনে। চংলো চংলো নচেগা উন্না খোংনক্করয়ো, নচেনা সুংশা অমুক খিরখি নচেনা নঙবু য়ুমদা কাওবা থম্লিংলমগনি থাবু খজায়রে।

পিরিসনা—করিবো ঙসিসিদু ঐবু মংলা হায়বা ?

মালিকা— অদা ইবুংগো লবাউবী লমদম অসিদি। মিবা ভাংনবা রাজা কচিদো অদুনা হুয়াম চৌখি মীহাং মীপুন ভৌবশিং অসে রাম্না কি তুকংচবা ভাডৈব। মীগা লোয়নদে মীগা লোনখিমদে। করিগুম্বা লোয়নকরবা নত্রগা লোনখিমক- রবদি লোনদিমকরিবা নত্রগা লোয়নকরিবা মীওইশিং অছু- বুম মীয়াম্না তুকংচৈ। মরম অদুনা ঐগোমনা নঙবু লোয়- নবিংদে— হোয়্ নচে কাওবদি অভ্তাইনিনা ভজাইকদবনি অদুনা নচেগী মরাক্তা ভত্তা খৌহৌবো হায়বা বানিদা।

পিরিসনা— ঐ মী হাংলুবা নঙ্গেনে ইমা। মন অশিবগী, মনাক্তা লৈরা প্রাইচিং কংই হায়বতম দশা অদু ভারুবগী বাভনিরে।"

মালিকা—নঙগী মরাল নৈ। নৈতে হায়বদু মীয়াম্না থহুই। নঙগী লমচংবা থহুই। মরাংথকতু ইচাগা নঙগা ত্তিমবদুদা ঐনা মুঙ্গা মিগ্রাইনুখিবনি। মাহুক্তি ইবুংগোসনা, ঐগোমরোমনা অমুক হন্না খোংদমুবীরকু, লোয়নবিদো।

মতাং অমদুদা ডাইগর হুইনা পিগ্নিসমা তম্না তম্না লাক্না লাক্না খোংবা হৌরকখি। উপাক লৈরকবা পিগ্নিদু মখা চিক্না ইকাইবরা মঙাইদু ইথেং অমুক ওংবা মালিকাগী ইমুংথু পিরেনা থোকখি। তথেংনবক পিগ্নিসনাদু মথংমাই অদু কা হেক্না লোকখিন্না মালিকা অমসুং সুনন্দনী মথক্তা লমন খুমগে হায়বা চেংলবা রাখল অমা লৈখিনমক্কি।

মালিকা অমসুং মচানুপীদু ডাইগর হুইনী কায়রবা মতৌ করা অমদি পিগ্নিনী লমচংকী মতাংদা হাপ্নি করা শামগ্নি। মখোয়না ডাইগর হুইদু কক্নামুক সুংশিনা ওাতনা লক্নাখ। মতাং অহুমরুদা পোষ্টমেন লাক্তুনা মালিকাদা মচা ইবুংবো অনন্দনা থারকপা চিঠী অদু পিরগি। চিঠী অদু লাকপদুদা সুনন্দনা মমাওবু খৌরাংনা খোঙ্গাংলোমনা য়েংলকখি। মচেনা য়েংলকপা তানং তাহুনী ইকুই কুইমনা চিদা কুবোগা বাক্নি শানা শামা লাকখি। মমাগুংনা অহানবা চহিগী এম. এ. পরিক্ষা পাস তৌকপী পাওহুনা মঙ্গামদু হয়াওনা লোক খেখি। মালিকামা মাগী মতম্নাংদা খুদং অহুনা মচা ইবুংবো অহুনা মশক নাইবা মগুণ লৈবা মীওই অমা ওইরগমবা অহুনা কক্নি কুইনা হুংতাইজখি।

খোমদদু নেবিলাক জর্জনা শক্নাইদা পোষ্টমেন লাকহুনা রামুদা চিঠী পিরে। রামুনা জর্জনা চিঠি অদু মখা ইথেম্না মখং নিদা পীরগা মাগী মথিংদা থারকপা চিঠী অহুবুদি লোমা পুরকুনা বিরাপাক্লিং পিরবে। মহুমক অনন্দনা থিনাপাদ্লিগী থিংদা চিঠি থারকপা রাদরকী মমুকী মথিংদা বিনাপাদ্লিদা চিঠি ইবনি হায়বদে

হায়বী চিঠীদগী থওবদগীনি। মরম অসিমক্তগী তুংদা কত্তবা লাকপা য়াই হায়না য়ামুনা চেকশিল্লগনি। অনন্দগী চিঠি অদু ফংবদা বিনাদি হন্নাওবনা ওমথৈ লৈত্তবমক্কি। অত্তওবা হয়াওবা অদুগী মথক্তা পত্রিকাগী পাও অদুনা অমুক হন্না হয়াওকনখি। পুন্নমক অশিগা লোয়ন-লোয়ননা বিনানা মা অমসুং অনন্দগী তুংশি হংলান্দা চিঠি অদু কোনজদুনা কয়ুংদা থিপথকে।

পত্রিকা অহানবগী পাও অদুমকী মরমদা ইবা চিঠী অদুমক অহন মাথোপকী সরাইদস্থ পোইযেন্না পিরদি। চিঠী পাবা ইবা কাওবদি হৈবী অমবিকানা চিঠি অদু পায়বদা মপা ইবুংঙো অদুনা অদুকী মত্তিক হয়াওকখি। মরাপ্তুং বিপিনচন্দ্রা অমদি অরুপায়ান্থ অনন্দগী মঙলগীদমক জুংভাইবা কোংদোকনৈ। অহন অদুনা মাগী মিংথাংদা থোক্লগদবা অনন্দ অমসুং মচা ইবেম্মা অমবিকাগী নুংহোংবদা ওইরগদবা বর কৈন্তাগী শকুম অদু মঙলান্দা শেমজিন শাজিনখে। অতুশাথা অমসুং বিপিনচন্দ্রন্থ অদা অদুনা ইযোইননা তাও শকে। পুন্নমক অদু থঙলবী অমবিকাদি পিরাং লোংনা থংখোইদা কপচবা মতুনঃ উপাই লৈখিদে। মহাকী বাথলদা অনন্দগী তুংশি লগীদতদি অয়েংপা পিগ্ররোই, অনন্দনা পামজবা কৈত্তা অদুতং অনন্দনা ফংজনবা ইশ্বরদা প্রার্থনা তৌজরগে হায়না থমখি। মথকী বাথল অসিমক অনন্দ্বু কা হেন্না তুংশিজবগী থনখিবমক্কি।

তশোংনমক্কি অনন্দনা অমবিকাবু ইন্নুং তুংশিখিদবদি নত্তে। মহাক অমবিকাবু তুংশিজবা মীশক অমদি ওইরম্মী। অদুমকপু

অহেনবা পাম্বা মীওইবগী মতৌনি অহুগা অমুকম্ থোদোক থাখোক্কগী হৌখিবা মংশিবনা যমল্লা মাম্বা হেন্নবগুম. অনম্বনা থিনাবু লুংশিখি। 'মম্বা লুংশিবা অচুনা ওসি ঐথোক্কী মরাইবক থৌরবা অরথিবা থিংলু পিরাং ইহৌননা খঙ্গোয়দা পোৎলুম পুনা পুথি হিংলিবনি।

মীওইবগী পুন্সিদি খুবাক খুনম্মি হায়রৈ. হায়রবদি অরাবগা লুংতাইবগা ইথং থংনৈ হায়রবনি। ওসিদি অনম্বগী চিঠিদা কয়াগী খঙ্গোয় লুংতাইনখি কয়াগী খঙ্গোইনা পেরখি, অচুমবকপু চিঠিদ কংজিনৈগদা পিশ্লিসনানা য়েংলবা মিৎয়েংচুদি খালিবা অমদি সুরম্বনা ইথৌ থওইদবগুম তৌখি।

ওসিদি গিন্নিসনা খুঙংচুগী মথিং হায়রপ নৈরবা প্রসেনজিৎ, দেবজিৎ অমসুং বুনোবু থোংনরে। হায়রিবা মীশকশিং অসিবক অনম্বগী ইমুংবু শিংনবা মীওই ওাক্তা ওইরয়ে। মথোয়না অমম অমসুং চিদানন্দবু মাইথিবা পীবা পাল্লবসিনা গিন্নিসনাগী মথৌ শংবা তাঞ্জে। মরম অসিদগী গিন্নিসনানা প্রসেনজিৎনচিংবু থয়চ তৌহুনা মকপ পেমঝে।



তরামরিশুবা পন্দুপ

"ইসমক্ষ্যদগী অমুক থানখোরকপা, ভারতদগী অমুক মমৎ-রকপা হৌরবীনি তাইবংগী", মসিমক ওসি মাহৌশাদগী বিনা-পানিমুক মহৌ ফুইজিংবগী অমুক্তা মঙোংদা লৈরম্বা মতম বাবুদা লৈরিঙ্গারি অর্জনা কাপি ওইনা। মাগী অপাম্বা অমু কাংখোকলুবদা লেপ্লিলামুক্ত হেক্না পামজনা লৈরম্বা অতুদগী মথক্তা লিংজখিবনি। চেংঙেনবগুম হেবিজাননা থুনাপ্তবু মমাক ওইমিংলমখি। মরম অসিদগী মপাবুং অনি অতুবা মুনা কুপ্না থরুরবা মতুংদা থুনাপ্তা অমুমুং বিনাপানি লুহোংনবা থাজেপনখে।

'মথা থাজেপ অমনা খৌজিক্তি থুনাপ্তগী থম্মোইবদা চত্নেৎনবা প্রাপ্ত অমনা তুজনা ঙাম্লমে। মহাকী মবনগী পুক্কিদা মুংশি মংমারক্তা ফাওখিমগুম্মবদি গোমতিনি। গোমতিমু মহাক্না নিংশুংনা মুংশিমুক অমত্তুং পুক্কিগী খোঙখোম অতুমক্তিমু থম্মোইবনি। গোমতিনমু মাগী থবাই হকচাং পুক্কি থুনাপ্তদা কংখ্রোকপবনি, থুনাপ্তদমু কখোক্লবা হকচাং অতুবু লোৎশিন্দুনা পেম্না শামখিবনি। মহুগী কননা গোমতিগী গর্ভদা থা অনিগী ঈনা মতুম ওইনা লৈথবমক্তি। অমম্মোমদা বিনাপানি থবাইমকতুম মুংশিজরবা মরূপ অনপগী চামখোইবীনি। অমদ অমমতুং বিনাগী মুংশি খৌরিম মহাক্না শমখিবনি। মহাক্না শাবি শানৌ অমিমুগী মুংশি বিলন কয়াগী খৌমুম ওইখি। মসিগী মথক্তা অনপনা মৌরৈথাক্তা

চৎলমখাইদা মিরাদ্ তাক্'লেমজনা শিবদুগিবহ হুমাত্তমা অক্নি কাওবদা থবাই চকচাং হাওনা যান্ন তাক্নি হায়বা মতৌ অদুমক থাকা চৎলুক্লিবনি।

মথম পুরমক অসিনা হুমাত্তনা মথা ইমুংথোক্নি হাবাং অদুমক তাক্লবা ফাবনি অতুমমক মমৈমদি কনখা ইথমগী কনবা শক্তিনা হুমাত্তনা মহিদা ওনখিবা [illegible]। হৌজিক্কি ত্রিনাথী ফকথি টংলবী শকুন্তলা হুমাত্তগী জিংথাংবা অহুনা উরকখি, থাকখি অতুক নিংথিবী শকুন ঐনা পুক্নিদা অমুক হনা কথমলবোইবনি। মরূপ অনমগীনি হায়না বারো শান্নুনা থন্নু নক্লবা অসিগা ঐনা পুক্নিং চুমকন থোক্কে। ইশাগী হাইকনবা শমবদা ঋষিমংগাল অসিন্না পোকলুবগী তৌকম থোকপা থোক্নেনি। থোমুং অসিগী মতম ঐনা গোমতিদু কাওথোকপা তাবনি। গোমতিদগী মপানা মাগী কননবা লগী অমা খেংথিবা তাবনি। মা ঐগী হৌজবা থোদোক পুম্বা মন্ডান অমনি, মন্ডান অহুগীদমক্তা মিখা তৌহনা অরুতাপ তৌবা অপংবগী থোদোকনি। অমরোমদা অনম কনানো, অনমগীদমক্তা ঐনা করিগী থবাই হকচাং অমুক হাবা হোৎনক্কন থোকপগে? পুরমক অয়েখনি, অমমবতিগী লৈগী লৈথা, লৈনাগী নোং, থুপ খিপকী লৈতীমক্তা থেনকাগা শায়বা কংজপদবা অমুতপদা বাখলমক অসিনা হ পুরমক অহুব অমুক ওইহনবগনখি। পুরমক অসিনা অতুবনি থমহনা হুমাত্তগী মাইথোংদু হৌজিক্তি কা থেংনা মকা লামলক্লে। মকা লায়বা মাইথোম অহানা মসিমক্তু থখি মচুদি থবাই থামমবাই

অমসুং লুহোংবগী মরমদা ওইদবা তাঙবা পাত্রনা য়াউ, মরম অদুনা কম্বিগুরা মানা চুয়ে থজবা বাখল অদুদা অত্তানবা য়াওগ্রবম্ব মহুদা অকাইবা লৈতে। অতকপনি মীওইবা ওইদবা অমা তৌবদা মহুবু চুমহনবা বাখল কয়া পুখোয়কতুনা ওইদবা অদুবু অচুম্বগা পাংথক ওইহল্লী।

বাখল কয়া অসিনা মথখোইদা ইনোং শিন্নহনা সুসান্ত ওসিদি দেবিলান অর্জুনগী শকাইদা থুংলয়ে। মথৎাইনা তাকয়বা থর অদুনা খোয়োনরক্তুনা মখোয়গী শকাই অদুদা থুংলয়বদা য়মনি অমদি দেবিলাননা সুসান্তবু তরাম্ন ওকখি। মতুংদা অনি অদুনা সুসান্ত অমসুং বিনাপানিবু থখোই থখোইগী য়াইে কয়া কোং-দোকহুনা চিনোক্লনবা তাজা পিখ্রে। হৌজিক্কি সুসান্তা অমসুং বিনানা লোকা থক্তা তাখোইমিন্নরহুনা খোরাং অদুগীদমক্তা থরবা হৌরক্লে।

সুসান্ত— কমদৌসিগে বিনা, পাবুং অমসুং নপাবুংনা শিন্নিবা খোরাং অসি করমদি থুগাইগনি।

বিনা—ঐসু হিয়ম অসিগী মতাংদা নঙগা তারনিংদবা তাইরম-লিবনি। খোরাং অসিদা নঙনা ঐথু পামজদে হায়না লৈখোকপনা নঙ ঐগী য়াইকবা ওইগনি।

সুসান্ত— নঙগী নপাদা কবি অরাংপা লৈদবা, নঙগী মমচংতা কবি অযোংপা লৈদবা ঐনা নঙথু কবিগী পামজিবনো হায়না নপাবুংনা হংলক্লবদি ঐনা করম্না থুনগনি।

বিনা— কভবা হাতো পাঙা গুপা ওইমশিংনি মজোংপা নত্তে, জুংশিনবা অমসুং জুংশিবনা গুপা ওইবনি অরুবনি। মহু থম্না মভাং অসিদা নওনি অভবা কম্না দৈল।

সুসাস্ত—ঐনীদি উপাই দৈজ্রে, থনবা মাথা কম্না থম্মুমবা মচুংদা ঐ অহন লমনবী মাথং ইনগে হামনা চপ চানা লেপ্লে।

বিনা— সু—সান্ত, কম্নক মিজৌবদনী কভবা থবক ভৌমবশিংনা ওইদবা কম্না শাশিন্নহুমা মানা ভৌম্নিবা কভবা থবক অহু অচুমবক্‌্ন লৌবম্নম, নওনী ওক্লিবা কিভম অহু নওনা চুয়ে হাম্না লৌম্নবা?

সুসান্ত— হোয়, ঐনী কিয়েপ অসিমক ঐনা চুয়ে হাম্না লৌয়ে। ঐনা ইতিহাসতা নত্রপা সাহিত্যদা অহন লমম কম্নাপী মাথং ইন্মবদনী অবাবা ভাথিবা কম্না থোংলৈ। ভপোংনমকমু অহন লমনবী মাথং ইনবনা মচা ওইবা পুন্সি পুন্নমকী মাইফমবনি।

বিনা— মহুদি নওনা নওনী চাম্নবা মকপপু নমথাক কৌথবি মাপী চাকসুক মুন্দুনা চাবমক্তি ধর্ম নত্তে। অমম্নোমদা লোম্না মীরোম্নবী গোমভিবু হাংপনী পাপ নওনা শোমদনা পুপনি। মম্নাল দৈলজ্রবী অহুবু মাংহনবা ওবা মকপপুহু নমথাকপা ওহা বিশ্বাসঘাট নতোপবু ঐনা দুজোংবদি পুন্সি অসিদমু নওনা মপোক কম্নাবমু ওইমরোইদবা মানি।

সুসান্ত— বা মাম্না ভাংনক্রবনী দরকার দৈলত্তে, ঐনা হামম্নিবা অসিদা নওনা মাত্রবদি নও অমসুং মননী অয়োনবা পুবা,

মপাকুমা তাকিশোকুনা মপাবুঙো অনমক্ শেল্লবড়া পৌজেল পবি। হৈরাক মচা তাৱক্সা থৈভোম লেকপকী ফিভম মরেক শেংনা তাক্লনি।

অহুমা পুমাড়ুমা শাওরাংবগী বসংকার তৌড়ুনা থোকথিবদু বিনাগী থশোইদা পোৎলুম থমা পুবা তাখি।

অসিংদু পূপাড়কু চাং লেপ্পা ভজ'গী মখাই অহুদা ঋমুক পুং-ময়ে। মতম অদু অঙৌবা ওবা প্রকাশতা অতাং কুকুপী হুঁকিগী ক্ষমবা বলা চেকশিংবগী চাঙবা শক্লখি। অসুম দুর্জবা পুসাড়ুবু উবদা চেকশিংদা শারিবা বাম্নি অদু থাজোবকুনা তাকয় ওইরবা পুসাড়ুবু ওতখি। লেখিনায় অমখি মমখিমা চাংদা চাকচুবা লাংলিবমক অহুমা প্রকাশকী থশোইদা পেনবা অমসা লোয়ননা কুইনা কাবদা থেক্লবক্লম তৌখি। প্রকাশনা মহাক চৎচরগে হাথনা হায়রক্লকপদা পুসাড়ুনা চা থকখিরখিসি চাকহুনা থামখি। প্রকাশকু পুসাড়ুবী মতৌ অহুদা হোৌগৎলুরবনি অহুম লেখিলাননা কাং থাম্বথী অমুক কয়থবখি থাখিরে। প্রকাশ অমখি পুসাড়ুবী থশোয় থশোয়দা থৈরখিবা মপোমৎ ফুকচনবা মতৌ অহুখি লেখিলাননা থঙবনা চাবুনা পুংখায়কপা চা শিং অদু থক্লনবা য়াথং তৌখি। মরামদু চা থকচুনা বাম্নি শাম্নিবৈ অহুমা থোংজিল্লা পোইথেন লাকখি। যাবুনা চিঠিশিং অদু লৌশিনুরগা ভজ'দা চিঠী অমা পিয়্রগা অমবা পুহনা ইমুং-লোমদা চংলে তৌবদুনা পুসাড়ুনা চিংনবা মাক্লব্ শায়নকই। যাক্সদু যু ব্যাও চুংবা মখাই ওাংথন কহি থাকপীগবদা হায়না

ওনশিজকই। সুসান্তনা ককাদা চিঠিসো পোংদে হাৎলগা হাকচাং পদা থাবুক্তা যাম্নি লাৎহুনঃ কোক্তাইংদা যতো উৎপত্তমক্তা সুসান্তনা কা হেক্তা চিংবনা লমক্লা চিঠি অদু ফোংদি। সুসান্তনা চিঠিদা অদু হং পোগাইহুনা পাঠিবযক অহুনা থামুই যশা পুবা হুমাং কাংথি।

সুসান্ত— ও! অহন অসিনা পাওখোজোই ওইহুনা থিরবদা
    নৈশিবা অনম্মগী বিনাপাজিগী হুংশি মরি লৈনখিদনা।

দেবিদান— করি সুসান্ত?

সুসান্ত— ভর্জ সাহেব, থামুনা মিংদা মহৌশাদগী অনম্মনা থারকং
    লিবা চিঠি খুদিংমক বিনাপানিগীনি। বিনাদা কোংমা চিঠি
    ইবদি কিবনা থামুনা মিংদা চিঠি থারক্লগা অনম্মগা বিনাগা
    হুংশি পাওযেন্নরি।

ইকাইখিংঙাই ওইরবা তু চুংলবা সুসান্তগী থাক্তে অহুনা হাওবা
ওরুরবা ভর্জনা সুসান্তগী চিঠি অদু পং থোকনা পাহনা পাখি।
যম্লাই হখিং ঋবিযক ইবোং অমুক ওয়ংনা পাওনা থাবুদা ভর্জনা
মিৎয়েং থম্মখি।

দেবিদান— হে, মীনাই কবমাস, নঙমক্তা শিম্মুনা এনী চোক্লাং
    পুম্বা খুগাইরবা হোৎনরি। মীনাই নখোয় থপুনা হাররবা
    ইনথরবনি। মহুদি থক্লহুনা অপুনি মাইরোক্তা মপু থকহন্নবা
    হয়াক্না থবক তৌজাগ মীনাই নতনু থুক অসিম্না থকনী
    কাদিং থায়দি। চৎলোক হোৎজিনমক থুরে অদি থাদোক্নুবা
    চৎলো।

প্রকাশ— সাহেবপু, কা হেনবা মরাল নত্রবদি মতুং মনাও শৌ-
বনবা থবা তাকপি তমীরগা চাকপিবনা করোইদা ?

সেবিকান— মতুগী দরকার ওইত্রে প্রকাশ, করে থজবা মীবু লোয়ত্নুনা থবা অকনা মতে, বনবাস অসে মথৌ নত্তনা মথৌ শাবনী কন গবাওয়া দদি কংবা তাবনি ।

তুলাক্ত— অপেংবনি প্রকাশ, মহ চেনবা লিনবু শিকন মাকমলে, যুংশিরোনা হায়হনা কুপ্পিংথাওদা হাপচনবদি মপাজল কনথং লকতুনা চিকপা হায়বসে শোয়ত্রবনি ।

সেবিকান—মীনাই মচা চংলো, চংরো মপকতু কাওবা য়েংনিংঙ্গে তুকচৈ ।

রামু— জর্জ সাহেব, ননাই চংচপনি, ইজং অমদি অকে অংমৌসি ইয়াংদা মপাসি ওইজবত্তনা অথোইবনি থবরা মিহোৌবা, মিকাবনা মথৌ ওইরবা মিয়ক অসিদা ঐহু কুইনা নৈথনিংঙ্গে ।

সেবিকান— হে বনবাস, নত্তগদা মীনাইনা অমুক য়াকনিজি তৌবা শাগ্নি চংরো । হায়রিবৈতোসদা চংচহৌ নত্রবদি মন ইরোই তানবগুয়া কু কুহনা তানগনি ।

রামুহ মাগি কোকথক্তা নহয়ক্লিবা চাওরবা চৌংজাও অতুগী পোংলুমহ পুত্তমদনা মাগী নৈজবা মপোং মচৈ পুমহ ময়োম অমা ওইনা য়োমশিন্দুনা চংনমবা লেম শাটৈ । মপুঁক হুদা মানা কমাইদা চংলুপনগে থমবদা ককচাওনটৈ, । মতাং অহ্নমি মপানা টৈ থাংহনা রামুবু তাহৌক্লিবা মহ তাযবা জর্জকী .মকা ইমুংদো কুকনা পীরা' পী:য়াইনন' চেনশিল্লকতুনা রামুবু থামলকই ।

কুকু — কাকা রামু, নঙ চৎখিবু, নঙনা চৎখ্রবদি এঁদি কনাগা শান্‌ পগি   নঙ চৎখিবু কাকা, নঙনা মুন খসি থাদোকখ্রুবা চৎলবদি ঐসু নঙগী নতুং ইল্লকগনি।

রামু — কুকু, কাকাদি মীনাইনি, মপুনা ত্থাদোক্লবনিমা মীনাই ওইবা কাকাদি চৎলগে। কাকানা চৎখ্রবসু নঙগীদমক পাবুং অর্জুনা ঐগুম্বা কনাগুম্বা মীনাই অমা পোয়রুনা থম্‌পগনি। লৈহৌরোকো কুকু কাকা চৎলগে, কাকাগী পুন্সিদি লংলা তংলবা তেলজাওগনি। কনাগুমনা লংলা অদু পাইবিরগা নিং তম্না পাইকবনি, পাইবিরগনা অভাবগী মাইকৈ থঙদনা মকম থঙদনা পাইখ্রগদবনি।

কুকু — যাদে যাদে, নঙ চৎপা যারোই কাকা, নঙদি মীনাই নত্তে কাকানি।

দেবিলাল — কুকু, রামুবু থাবদুগু, মহাক্কি কনবা মীনি, ইমুং অসিদা মহাক থবা যাবনি। মহাক কাখদা লৈবা লিনগবনি।

কুকু — পাবুং, মহাকনা চৎলমদি ঐকুন্দবীদি থমুম ইন্দ্রো চৎলগনি। মহাকপু তানখোকপদি ঐবুসু তাদোকপনি।

রামু — কুকু, কাকানা নঙবু যামা পুক্নিং কাকাগা নঙবু মরিগী থাদোকখ্রগে, অদোমখোই কাকা নঙগী থরাংবী চৎবা তাঁবা থমা তৌবগী। নঙ কনিবতা বাকৈগনু। কাকা নঙগী থরকী কুমদা পোমবনা লাকবিগনি, কাকা চৎপুখিগেকো।

অহুম্না কুহুব্ খেবহুনা পিরাং পিরাংইশ্রবা রামুনা কুহুবু অমুক্তং চুপলহল্পা, তুং হরপ অমুক্তং য়েংলল্লগা খোঙ থাংখি। অদুবকপু মপুক্তিংদা চিংনজরবা অতাং অহুনা চেনশিন্দুনা রামুগী মখোঙ অহু কোম্বুনা মপুক্তিং য়ুংশিনা ভেংথাহুনা কল্লী। মতৌ অতুদা মপা ইবুংঙো অর্জ্জুনা কুহুব্ কাহুনা চিংশিনখি। কুকুনা ক্লং ক্লং চোংনা 'কাকা রামু কাকা রামু' হায়হুনা ভেংথাবহুনা মমা ইবেমা মমনিঙ থাওওমদনা পিরাং শিহুখি। রামুহ্ অতাংহুগী ঘুংশিরবা শকম অহুবু য়েংনা য়েংনা খোঙ থাংবা ঙাখি। উপাই লৈজরবী বিনাবা দলান মথকী খোঙ্গমাও অহুদা চংশ্রিবা মরাম লৈজরবা অহল অহুবু য়েংনা য়েংনা ঘৰাইহ মখিং অনিহু পীরাংনা থমা কপহুনা লৈহৌখি।

তরামওাঙবা পক্ষপ

কালেনগী হুংশা শায়বা হুংখিল অমনি। হুংশাগী মৈপাখা থাংওমল্লবা ভাইবঙ কনা অমতা নপী লমজাওদা চংখ্রে। মতম অহুদা মোক্তিভি নোয়া নোয়া চিরানপথোরগী শদাই অহু তরা মৈপাক হাওনা লাক্তি। মরক মরকা মরাইবকৌ ক্রবাংশিং অহু

তৈথোকচরহনা অথুবা থবক্কী লাকপা মতাংগী ঊকপ তাংকনিং-
ঙবা মতাম্বি। মালিকাগী থজাই অচুম্বী মাকোন মচি অথবা
মচা ইবেম্মা সুনন্দ অমদি মতারোই থমথিকাম্মা হিক কাইনহুনা
কম্মি। থোম্বি লাকপা উবদা সুনন্দনা মমাও চিদাদা থাম্বী মকপ
লাক্কি হায়রুনা লাওখি। মচেম্মা কৌবহ তাম্বা চিদাহ্ পহনা
ইমুংদগী থোরকই।

চিদা— এঃ কদাইদা কোইকসিগে তাই?

থোম্বি— তৈ হৎনুসি, তৈ চানিংবনা থাঙবা ওমদ্রে।

সুনন্দ— হায় গুমিং চপ মুংবসিদি লাই থোকপনিকো।

থোম্বি— অঙইব্রনে, হেন্না লাইগী থাদু থোক্ক-থোক্কনমু নব-
       শম্মুবা থম্বগা লোইরে।

অমবিকা— ঊঁ কিপমমবা শাবিরে, হোয়েন তৈহেনৌ মথোঙদা
       শোয়দনা থোক্করবদি অঙনা নমত্রা হায়বদু লাইনা মমব-
       পমবনি।

চিদা— অস তরেদা, তোক্কসিবা তাই?

থোম্বি— হেন্না তাই, মুপামচানবো অহুক নীংহমবা হৌনদে, লাই
       ওইসমু, নী ওইসমু, ঐ তোগে লাওসে তাই।

চিদানন্দহ্ তম্না তম্না থোম্বিগী ফুং ইম্পুবা চংখে। থোম্বিগী
থাবিদা মিকুপ থমদং বা বা লৈশাবী অনিহ্ মোক্রপা অমবিকা-
থোয়রোমদা চংলুসি হায়হুনা অনিহক্ চংখ্রে। হৌজিক্কি ইমুংদা
পোথাবগী মালিকাহ্ ইমুংহুদগী মপান থোরকহুনা মাকোনগী দাবি
অহদা কম্রহুনা মচাহুপা ইমুংঙো অমদম নীংশিংখি। মিংথাংদা

মচাপী, হৃৎশিংবা, শঙ্কুম, মুহ, চুরুম্ম উন্নবী। হাও্না অঙ্কংমনবনি, দেবিলালগী মাপী, ভানু অন্ধ, দোলানঙ্গগা থাবগা থাওরাবনা, চংশিলগ লবইবা, মাল্লিকানা উল্লা হাপ্পনা দোম্না অনা পুথোক্‌লুনা দেবি-লালবু স্বাত্রা কৌরক্লুনা কপহল্লী।

দেবিলাল—ইচে, ঐসি অহানমবৈ, শঙলমমবনি নওঙী নম্রথুপাক্ লম ম্রাম্না হেন্নমদে। ঐনা মাপী লাইহ্রিক অসুনা মথেং পাংলিবদে, ইমাক ওইগে খল্লুনা পাংথিবা নতে।

মালিকা—দে...বি... লা—ল!

দেবিলাল—নৈপিজনা ইয়াম্বা অমু ঐগী পোকথিরবমমক্ নতে, চুম্না মরুপ মপাংগুম, লোয়নকরভনি, অহুমকমু, মম্না ঐগী নমক ভৌবিরবা থবা অতুপী লমন, কোল্লনবা ঐসু মাপী মথেং পাংথিবনি। অভুগা মানা লুইনাও মচা চাউগা নৈদ্যোন্ লেকই হারুমহু ভৌরি।

মালিকা—ইথংভো, পুরমক অসি নও ঐনা বারক বাঙেল্লবা মনা মমিল নাইহনবদা নৈ ইহৈদি, পাও, অসি অরবা-অচুম্বা কাংবুম, মমগ্লক্কে। অদুনা মঙ্গথোংদোরবা তাঞ্জবদি ঐদি চংশি শিন্না, তারবনি। মাঙী লাইহিক, অমা অমিংমা লোম-বগী তাংদুনুী মচানুপীগা পুল্লোংথোক্লসি, হায়মরিবনি।

দেবিলাল—মহুমক, মা নুংক, থোরকখবা কাইমবা শিংমরা হোং-নখোম্, অহন্না থঙথবা অমনা ঐপু, ইচে: থাবগা মশি কমকে ইথেংগোবন চংলকপ, ঐসু চংলকলোই। অদুবাগা কমাইজবা-ওইরমবদি নিংথিংবংজৈবা তৌবহলোইদবনি, ইকথোক

ওইবগী ঐ বা য়াম্না চাওত্রবনি, হৌবকী থবক অসিদি ঐবু চংহাৎ হাংকে থৌরাংবগা পাংথকনি। মসি মতোপদু ভগীবু অহুগা করিশুমদা মানা ঐথোরমদগা চংলক্লবদি শা যণশুম্না ফুহনা ভানগদবনি ।

অস্থম্না অশাওবনা মী উজ্রবা দেবিলানহ মোরাবগী ফুক হৌগৎভুনঃ কিংনা থোকখি। থোজালদা থারবা কার অহনা চৎত্রবদা উপাই লৈজরবী মালিকানা মিংলু শীরাং ইহৌনবা মসিদা থোক্লগনি হায়বা খণনা মচাবু কনা বারকখিবদা মচানা লম হেনখিবা অপুম্বু নিংশিংহনা অহুতাপ তৌখি ।

শোমদনা চিদানন্দ মরুপ মোজিগা লোয়নবা মোৎস্লি ভয়ানা কোইশিনবা মাযবাবুগী হৈকোল অহদা থুংলয়ে। হৈকোল অহুগী মমুং অহুদা মথল-মথলগী হৈ-ম্না অমদি লৈ-ভনা মমাং কাইনা হৌই। মকওইনা থাইদগী নিংথিজরবা মকমদি হৈকোল অহুগী মরাইদা লৈরিবা চাওরবা পুখ্রি অহুগী মপালহনি। মকম অহদা মথল মথেলগী লৈ-ভনা নিংথিনা শেম শানা হৌই। নাকলদা লাপলপ হৈনৌ পাম্বী অচৌবা অহমবা পাথল ওইবা পুখ্রিহবু চাক শেনবা মতৌনি। অহুভম্বা হৈনৌ পাম্বী অহমক-ভদা অমুনবা হৈনৌশিংনা কুক কুক ইমনা পাক্লি। পাক্লিবা হৈনৌশিং অহুহ মমুন কানা মুনবা চাক্লি। পাথং অনিহুহ হায়ন-ম্রিবা হৈনৌ অহুমক আশা তৌরহনা হৈকোল অহুগী মরাইমক অহদা চংশিল্লকই। মোমতিহ পুখি মপানগী হৈনৌ মথোও অহদা মিরুপ অমতং চাইম্নবা হায়রম্লগা হৈকোল অহুবু শাংলিবা কালিবু-

লৈরা নত্তুগা লৈতত্রা হায়মা য়েংনরবা চিদানশহ চংখ্রি। চিক্লবা কমা লৈত্রবা মুখিং য়ূংবা মতম অহুমা নাইতোম কিখিক-কিকম তৌরিবা মোম্ভিগী তাওলবা লবাই অহুমা খওহৌদনা হৈনৌ অমা তারকখি। কদোমদগীনো খম্না ইচিং চিংনদা মোম্ভিমা হৈনৌ মথক অহুদা য়েংখংলুই, অহুমু তাওনা মুত্রবা হৈনৌ অমদি পাম্বৌ-মুগী শংলবা মনাশিং অমত্তুং মশাশিং নত্তনা অতোম্বা কন্নিহু উখিদে। খোইদোকপা উত্রবহুদা মোম্ভিনা নোম্বুকপদনি মকম খওদবা মতৌদা মোম্ভিগী নঙল, পাম্বোম অমদি কোকথক্তা হৈনৌশিংনা পোপ পোপ তারক্লিবা মতৌ অহুনা মোম্ভিনা ওসাই চংলমদাইদা অমবিকা অমদি শুনশনা হায়রকখিবা বাহৈশিং অহু নিংশিং নিংশিংনা থক থক নিক্লা কিন্নাইগি তাঙ্গা অহুদা হৈনৌ অহুগী মনা পুংলবা উশা থরদা মকম খওদনা খোক খোক নোম হায়বহু উরকই। পুম্নমক অহুনা কা হেন্না থুকংখিহুনা মোম্ভিহু তু মকম অহুদা লৈবা ওমত্রহুনা 'ভুট' হায়না খোনগাইদা লাওরমলগা চিংনা চংখিবা লম্বী অদোমদা হোৎচনকই। চিদাম্ভু তুং হন্না হন্না য়েংহুনা লাকপহুদা মোম্ভিহুগা গম হেক খেংগাইনৈ। মোম্ভিহু তু খ্যাও চুংনা পাখংখিহুনা 'ইমা ঐ শিরেদনা' হায়হুনা মথুং অনি অদুনা মকোক্তা পাইরগা অ্যান মাংনা কমথখি। চিদানা তপ্না মোম্ভিবু চিংখংলগা কন্নি তৌরমগে হায়না তম্বা হংলকখি। মোম্ভিনা স্বর অমুক্তং চনিং তানা হোম্বগা 'হৈনৌ মখোঙ্গা ভুট খোক্নে' হায়না তমখি। পাও অহুনা চিদাগী খম্বোয়দা চিংনবা খম্না লৈরবদু মরুপকী পুক্নিং কাজন্দুনা কদাইদগী ভুটনো,

লাও চংসি ঐ তুটতু কাগে, হায়রগদুনা মোক্তিবু খুং শরুক্না অমুক লাকখিররকই। মখোয়না পুম্নি মপান অহু য়োম্নকপদা শশিগা মুনিমগনা হৈনৌ পাম্বী মখক্তা মোক্তিগী বারিদা বান্বা মোক্লিনহু থোংনরকই। মোক্তিনা শশিগা মুনিমগদা কাপী তৌবমু অতুম্না তৌবা হৌনখ্রা হায়রদুনা শাওখিবনা মনাতোন্দু উত্তুপ অমুক চাওখি। মতুংদা মরূপ মরিহু চুংশররদুনা অমুনবা হৈনৌ থন থম্মুনা হেকলুবে। মখোয়না লোক থেমা পেমা হৈনৌশিং অত্ত হৈকোল অহুপী উকন অমদা কমদুনা চাম্নিরবে। 'সুম্না মখোয়না লোক থেম্নিবা অহুপী মনিলত্ত হৈকোলহুবু শংজিবা কাজিপী বাপদা থংলরে। জুম্নিং খিররবা কাজিনা লিচৈ মরু অমা পাইরদুনা 'কমা কনাবো, হৈ হরাল্লীব', লৈরম্মু থওগনি' হায়দুনা লাও খোংলদুনা মহাপ্রশিং অহুনা কন্নীবা জগা অহুদা চেনশিল্লক্লে। মতৌ অহুদা পাথং মরি অহু মাইটৈক থওদনা চেনখি। মিশিং নাশিংবা থম্না বাংপা মথা লুখা মোক্তিদি খোঙথাং থম্না বাংপদগী য়োংলি ভক্লাপী শহলহু লিংখোকপা নংহৌক্লে। মতাং চারে থম্মুনা হৌজিক্তি কাজিনা মোক্তিবু কাননবা চংশিল্লক্লে। মোক্তিহু কিরদুনা কৈনা কনা শাংনা চেল্লুরে, মতুংদা কদর 'অমা তৌরগে' থম্মুনা পুম্নি মপানদগী হৈনৌ পাম্বী অহুম অত্তুদা উক-উক লৈদুনা চেনরে। বায়রবা মোক্তিনদু থম্ন থবেং থবেং হোম্না পিং কমদুনা লৈখি। কাজিদি মোক্তিনা কমথে থওদবনা কনা কনা উক-উক লৈদনা ভাররকই, মবৈথংদা মোক্তিনা কম্নিবদু উম্নদুনা মহাকন্ত বায়দুনা শম্ন মপি হোম্না মোক্তিপী নাকল অদুনা কমথখি।

মোত্তিনা তুং ওইরপ কালিগী শক্তমদু হয়া য়েংশুবদা থাই লাওনা তু চংখি। কালিগী শওম মানবা মচিন অদুনা অমুক কাখোক অমুক উবশিন তৌরিবা অহু মোত্তিমক কাওবা য়োংপা থবপদবা মতৌমক্লি। কিরবা মোত্তিহু ভয়া কুক হৌগংটৈ, মামা হেক হৌগংখিবগা কালিহু ভয়া হৌগংলকই। মোত্তিহু কালিদা মোমোয়না অমুক্তং য়েংলয়গা হৌহনা চেনখি। মতৌহুদা কা হেক্রা শাওরবা কালিনা চম্পক্তি শোয়দনা কায়গে হায়বা মতাদা মোত্তিবু তাররকখি। পুখ্রি মপাল অহু হেক য়ৌরকপদা কালিনা হানজররকপদগী চেমকম থওদনা পেখ্রি পেখ্রি মোত্তিহু লেপতুনা নৈখি। কালিনা মানা ওমদনি হায়বা মতাদা মোত্তিগী মনাক-তুদা করক পেয়া লেপ্লমে। মোত্তিনা কালিবু থওহৌদনা ঈশিং-হুদা ইহুরে। কালিহু পুখ্রিহুগী ঈশিং হৈয়াইহুদা অবং লাওনা তাখ্রে।

লমজাওগী পুখ্রি অচৌবহুগী মপালদা ঈশিং শেংদ্রিবী কুমু-দিনি, কাজল, শখি অমদি সুনিতাগী মনাক অহুম: চিদা, শশি অমদি মুনিমনা মোত্তিগী কিতম অহুগী বারি লিয়হুনা বা বা নোক-মরি। মোত্তিহু বানা বানা চেককপদা লাপ্লমা মথোয়না বারি লিনথদুবা নোক্লিবদু উখি। মখোয়না শাগ্রিবা বারি অমদি থমোই পেমা নোক্লীবদু মাগী মরমদা শোয়দনা ওইগনি হায়বসে মোত্তিনা খওখি। মহাকহু মানা কালিদা তৌকবা চমৎকার অদুগী থনবদা মোমোয়দুনা চেন্নি। পুখ্রি মপাল অদুদা থদুলেয়রবদা মোত্তিনা খর থবেং থবেং হোমা, কালিনা ওইহৌ-ব্লিবা কিতম অদুগী বারিদু ময়ামদুদা নোক্লা নোক্লা লিরি।

মতুংদা ঈশিং থুরোক অমতং পুনিভাবগী থরুনবা হোৎনরি। মশাহুতন্নি কাংবু অহুনা অমুক কা হেন্না নোকপা হেনগৎলক্লিবা। মোশিংস্ম ঈশিং অহ পেন্না থকদুনবা মতুংদা কাংবু অহুগী মরক্তা নোকপা অহুমক য়াওখি। অহুবু কাংবু অহুগী মিরোক অহুনা ইথক হৌরকপগুম, অবাব কারকপগুম নোকপগী ইমোং মথং মথং তাপাকৎলকখি। মংতৌহুদা চিদামন্না মোশিংদা থুং মিন্দুনা ইশিং অমা পিরকখি। মোশিংনা করিগুম্বা চিংনবা অমা য়াওং য়ুতনা মথুংনা খোংগ্রাওগী বেক সাইতুনা য়াকথদা, ওসাই মানা ফিংনা মোংফি অবংগী মঙ্গল লিংথোরকপদা খেগাইথিবা খেগাইবা মকম অহু খেংমকই। ইকাই খুংশি য়ারনা ময়াইদু তাংথং তাংনা খেগাইরিবা খোংগ্রাওগী মকম অহুদা মথুংনা মেরুহুনা মোশিংহ নোককেং নোককেং হুং হয়া হয়া চৎলম্বদগী হৌইনা চেনখি। কাগী অমা থম্মোয়দা পুরহুনা চোং কন্দুনা হৌহুনা চেনখিবা মোশিংগী মতৌহুদা ময়ামহু নোকপদা পুক্লি পাইনহৌখি।



তরাতরুকশুবা পন্থুপ

মীৎয়াংদা থোকখিবা লোক্লিংবা কিন্তম অমা নিংশিং নিং-শিংলুংগী ইথক্তা পকাংনাক্তা নোংক্লিংবগী মতৌ অদুমক চিনা-নপাদা থুংলয়ে। নোকখেং নোকখেং মমা অমসুং মচেদা যোক্তিনী নোক্লিংতাই ওইরবা হৈকোল অমদি পুক্রি মপানগী দুগ্লুহু উমথেং থমা চিবাহু লাক্লী। চিদানা মখোয়গী কোংথোংহু হাংদোকপা হৌরকপংস্তুদা মমা ইংবেম্বনা মথক্তোয় শাক্লা ওংথারিবহু তারকখি নোক্লীংবা বাখলহুনা মকা শাগ্মদনবা চিদাগী মাংলোংহু থংমক মকশয়া কিংনা মমাগী মনাক্তা চংশিনকই।

চিদা—ইমা, নঙনা অদুক থক্তোয় শোক্তা কপ্পীবদি করি চৌরা।

মালিকা—ইমাদি মাংজয়ে, ইমাগী নাইতোম পোকাপ, ইমাবু
করি ওইরসিগেনে।

চিদা—ইচেবু করি তৌরবগে ইমা?

মালিকা—থরাইবক থিরবী নচেদো কত্রবা গিরিসনানা কাহুনা
পুক্রেদনা।

চিদা—করি হায়বা, গিরিসনা.........

অশাও বৈরিনা চাকথেক্লবা চিদানা ইমুংদা হোংচনখিহুনা মাগী মোনপাক মথাদা থমোবা থাংজা তরেংনা তিল্লুনা শেমথবা থাওশাং অহুদা মোমবা কিশিং অচু লৌথোক লৌথোক্লা থোরকই।

চিদা—কদোমদা চংখি, কমাব কুইরে ইমা?

মালিকা—কুইখিজি হায়নে, বিপিনচন্দ্রনা কৈথেল মচাগী অখাইদা
জিঙা হুনলানা লাউখিবহু হায়রগ তাহৌথি হায়রম্মী।

চিনাহ্ন কিনা খোঙাকলোঙনা চেনখোকখি মোটোর তেংবা মপা অমনা লৈরক্তাও অমুদা মোটোর খোঙকপী খোঙাংলৈতোনা চিনানা মপা অমুবু ইনখোক্লগা মোটোর অমু তোংহনা খোঁখি । অপাওবনা অকণকপা থওরনা চিনানা মপিনবা যমাং থানা মোটোর অমু খৌথি । পাল্লেংকপা থওনা চিনানা মোটোর খোঙকাবা লম্বীগী মাইকৈ অকোয়দা তাইগর হুইনা চেনকাখবগু চিনানা উথি চিনানা মোটোরগী থাম্পাল তাইগরবু মোটোর অমুগী মথাংদা কমফলগা পাল্লেংকম অমুগী লম্বীদু চি হন্থি ।

খোয়রনা মপনবু লৈখিবা কা অমুদা পিখিবা ম্রেনবু লমাক তম্লগে মতৌনি । পীরবা কা মখুং অমুদা তারোক চয়ুলম ভা কাবতরা কাগগদবা মতৌ অমুদা উপাই লেঙরবী মপনবা লৈখোরবা কমা হেনন্দৈ । মপাদা ইনকরিবা খুদৈ মতেক অমুনা থওহৌদনা মুক্লবদা উপাই লেঙরবী পজি অকোয়বদা অথরবা থিরাঙনা নোংলাকপী খোঙথাংহুদা কা খোঙা যিপাইদৈ । মিকুপ অমুমক্তদানি চিনাম্পাদা তাইগরগী ইশিংনা-মকম অমুদা থুংলরিবা মহাক্না মোটোরক্ত মচি অমদা থমলপা থাওপাং অমু পাইরহুনা তাইগরনা ইজিং পিখিবা মচ অমুদা হোৎচরকখি । মতম অমুদা চিনাবু শিংহুনা লৈখিবা গিরিশী খোংবু দেবজিৎ অমদি ধনেনজিৎনা থাওপাং অমমম পাইরহুনা চিনাগী লম্বী হুদা মৎতুনা লেপরে ।

উপাই লৈজরবী পূনশ্বা চৌথিক্কী জ্ঞান ঘমশিল্লক্না কখুংদা লোংবা হায়বদে। গিরিসনানা মতাং তাঙ্গা লৌয়দুনা চাৎলমা সুনম্বাগী মনাক ভুমলক্লে। মিকুপ অদুমকদা তাইগর হুইনা থোকঅাওবগী চোং‧শিল্লক্না গিরিসনাগী মখাওদা অমত্তুং মপুঙা তাপ তাপ চিকখে। গিরিস ভু উপাই লৈতবা চানিংবনা মতিম য়োংবা হুইগী চৈনাই থাওনা-থাওনা থোংথাং অমতং থাংজিনগে তৌবদা তাইগরনা কিওম পেমহুনা থোকথাং অমতং হেনজনবদা চোংখিমনবা ধপকা লোয়মনা পেম শাহুনা তাংহনা লৈখে।

মাকপ অমদনা অতভাই ওইনা শিবা কিরবা চিদানা লৰী থাদোকই হায়না লাউ থোংলহুনা য়থি অনিহুগা অকনবা লবা তৌনরি। ইথৌ থওইদনা কয়েম্বা অমগা লোয়ননা লেবজিং অমদি এমেনাজিংবা শাফু কনশিল্লকপনা। চিদাগী থম্মোয়দা অচাকপা মৈদা খী হৈজিনবগুম থোক্লে। চিদাগী হকচাংগী শরুক থরদা থাওগী চৈনা কংখে। মশাগী মকম থরদা ঔগী অতাংবা অনওবা মচুনা হকচাংগী শরুক থরদা মচু অমা ওক্লে। অশাও লৈরি অমদি চৈনা থোলহুনা থাওমরবা চিদানা কম্হিথোক্লা মাংথরকপা থাওগী মমাংদা অদিহ হৌজিক্কি নোপলপ অমুক থাওলক্লে অদুবু নোংদমখিবা মপোক ওইবনা ভুংলোমদগী থওহৌদনা হায়থরকখিবা চৈকু অদুনা চিদানন্দগী কোকথক্তা পাল্লবদা 'ঈমা' হায়না জ্ঞান মাওনা লৈমাইদা হায়থথি। হৌজিক্কী মশাদগী চেহরকপা ঈতগী ঈপাক্তা

